January-March 2003

ইথিল
ত্রৈমাসিক পত্রিকা

# ITHIL
QUARTERLY MAGAZINE






## আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস
## ও
## মনিপুরী ভাষা

# ITHIL

A Quarterly Magazine
Volume-1 Issue-4
January-March-2003

**Editor**
Chandrajit Singha

**Asst. Editor**
Promud Kumar Singha
Md. Sazzadul Haque

**News Editor**
Sushil Kumar Singha

**Commercial Editor**
Shanta Kumar Singha

**Circulation Manager**
Lalit Mohan Singha

**Published by**
M.A. Majid Choudhury
Chairman on behalf of
Manipuri Development Trust.
4 Kathal Bagan Dhanmondi,
Dhaka-1205.
*E-mail : ithil@bangla.net*

**Printed by**
Reliable Printers
76 Arambagh, Motijheel,
Dhaka-1000.

# য়াওরিবসিং



সম্পাদক্কী বারোল


পাবিরিবসিংগী লামায়


**বাংলা বিভাগ**

- আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস ও মনিপুরী ভাষা ৫
  সি জে খুমন
- মনিপুরী ইনডোর গেম-কাং (কাং শান্নবা) ৯
  এম সুমন

**মনিপুরি লুখায়**

- কাংখুল মুৎথিগদৌরবা অবাগী মনিপুরি খুন্নাই ১১
  নিঙোম্বম থম্বাল
- মিকপথোক্লসি ১৭
  সনাতম্বী
- বা অমত্তং হায়জগে লাকপনি ১৮
  শেরাম নিরঞ্জন
- বারি মতেক ১৯
  থোঙাম সঞ্জয়
- মনিপুরিগী ফি হোংদারকপগি মরম করিনো ২০
  পি.কে খুমন
- ঈশাগী হক ইশানা খংবা তঙায়ফদে ২৩
  অহৈবম সুরজিৎ




শৈরেং - ২৬
ঈ-পাও - ২৮

**English Section :**

- Enviroment Helth and Precaution ৩১
  Madhu Mangal

## সম্পাদকী ৱারোল

ফেব্রুয়ারি ২১ অথৌবা নিংশিং নুমিৎ ঙসি মালেমগী মমালোন নিংশিংনুমিৎ ওইনা মতিকচানা ইকায় খুম্নবা নিংশিং থৌরম পাংথোক্লুরি মালেম শিনথুংনা। মনিপুরীগি সংগঠন কয়ানা নুমিৎসিগী মতিক-ময়াই অমদি মরিকচুম্না থৌরম পাংথোক্ল লাক্লি। শুপ্পগী মনিপুরীখক্তা নত্তে বাংলাদেশতা লৈরিবা মশিং লিক্লবসু মমালোন ঙাংলিবা কয়ানসু নুমিৎ'সিবু ইকায়খুম্নবা উৎনরি। নুমিৎ অসি মালেমগী ওইনা খনখিবদা বাংলাদেশকী মশিং লিকপা জাতিশিংগি মনুংদা মমালোন য়োকখৎপদা থরায় য়াওরক্লে। লন্নায়গী ওইনা মশিং লিক্পা জাতি কয়াগী মমালোন তম্নবা থৌরম পাইখৎপা হৌরক্লি। অদুবু সরকারগী ওইনা বাংলাদেশকী মশিং লিকপা জাতিশিংগি মমালোন তম্নবা থৌদাং থোয়না লৌখৎত্রি। কাংলুপ খরদি লন্নায় থৌদাং এনজিও শিংগী মতেংনা মমালোন তম্নবা স্কুল, মমালোন্দা প্রাইমারি ফাওবা চৎনহনবগি অমসুং মমালোন তম্নবা কারিকুলাম শেম্নবা থবক মখা চৎথনরক্লি। হায়রিবা থৌদাংশিংশি মশিংলিকপা জাতিগী মমালোন য়োকখৎপদা অচৌবা খোংজংঅমনি। পার্বত্য চট্টগ্রামদা চাকমা, মারমা অমসুং ত্রিপুরা লোনগী স্কুল লিংখৎপা অমসুং প্রাইমারিগী সিলেবাস শেম্বা, নওগাঁ জেলাগী সাওতালশিংগি মমালোন তম্নবা প্রাইমারি স্কুল ৫ লিংখৎতুনা কারিকুলাম শেমখরে। নেত্রকোনা জেলাদা গারোশিংগি মমালোন তম্নবা কেন্দ্র হাংখরে অমসুং সিলেটকী খাসিয়াশিংসু মমালোন তম্নবা থৌরম কয়া পাইখৎখ্রে।

বাংলাদেশকী মশিংলিক্পা জাতিশিংগী মনুংদা মনিপুরীসু অমনি। মনিপুরীগি মশাগি লোন, সাহিত্য, ইনাৎ অমসুং ময়েক লৈজে অদুবু লোন তম্নবা খুদোংচাবানা কদায়নো খন্ননিঙায়নি। মনিপুরীশিংনা লমদমসিদা লাকখিবা মতমদা মমালোনবু চিনবানথোংগি লোন ওইনা লোয়নরকখি, মদু ঙসিসু ইমুংমনুংগী লোন ওইনা হিংলি। মনিপুরীশিংগী মমালোন তম্নবা খুদোংচাবা লৈতব'সি নোংমদি মতমগী ইচেলদা লুপখিবা য়াই। অদুনা তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়গী অপুনবা খোংজংদা মনিপুরী লোন তম্নবা ইনস্টিটিউশন অমা লিংখৎপা মথৌ তারক্লবনি। মমালোন নুংশিবা ঙম্নবদতা ইরমদম অমদি ইজাতিবু নুংশিবা ঙমগনি।

## সম্পাদকীয়

২১ ফেব্রুয়ারি মহান 'শহীদ দিবস' আজ 'আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস' হিসাবে বিশ্বব্যাপী যথাযোগ্য মর্যাদার সহিত পালন করছে। মনিপুরীদের বিভিন্ন সংগঠনও দিবসটির তাৎপর্য নিয়ে যথাযথভাবে পালন করে আসছে। শুধু মনিপুরীরা নয় বাংলাদেশের প্রায় সবকটি ভাষাগোষ্ঠিও দিবসটি পালন করছে। দিবসটি আন্তর্জাতিকভাবে স্বীকৃতিতে বাংলাদেশের ক্ষুদ্র ভাষাগোষ্ঠির মধ্যেও মাতৃভাষা চর্চার প্রতি সচেষ্ট হতে অনুপ্রাণিত করেছে। ইতোঃমধ্যে বেসরকারীভাবে কয়েকটি ভাষার আনুষ্ঠানিকভাবে চর্চা বা প্রাতিষ্ঠানিকভাবে ভাষা চর্চার কাজ শুরু করেছে। কিন্তু সরকারী বা রাষ্ট্রীয়ভাবে বাংলাদেশের ক্ষুদ্র ভাষাগুলির চর্চা বা সংরক্ষণের কোন উদ্যোগ বা কার্যক্রম আজও তেমন দেখতে পাইনি। তারপর বিভিন্ন ক্ষুদ্র ভাষাগোষ্ঠি তাদের নিজস্ব উদ্যোগে বিভিন্ন বেসরকারী সংগঠনের সহযোগীতায় ক্ষুদ্র ক্ষুদ্র জাতি সমূহের শিক্ষার প্রচলন ও মাতৃভাষার শিক্ষা কারিকুলাম প্রণয়ন প্রভৃতি বিচ্ছিন্নভাবে প্রয়াস চালিয়ে যাচ্ছে। যা জাতিগত সংখ্যালঘুদের ভাষা সংরক্ষণ ও উৎকর্ষ সাধনের একটি ইতিবাচক পদক্ষেপ। পার্বত্য চট্টগ্রামে চাকমা, মারমা ও ত্রিপুরা ভাষার স্কুল প্রতিষ্ঠা ও প্রাথমিক শিক্ষার পাঠ্যসূচি প্রণয়ন, উত্তর বঙ্গের নওগাঁ জেলায় সাওতাঁলদের সাওতাঁল ভাষার ৫টি প্রাথমিক বিদ্যালয় স্থাপন ও কারিকুলাম প্রণীত হয়েছে। নেত্রকোনা জেলায় গারোদের গারো ভাষা শিক্ষা কেন্দ্র স্থাপন করেছে এবং সিলেটের খাসিয়াদের নিজস্ব ভাষা শিক্ষার জন্য বিভিন্ন পদক্ষেপ গ্রহণসহ শিক্ষা সহায়ক উপকরণ তৈরী প্রভৃতি কার্যক্রম হাতে নিয়েছে।

বাংলাদেশে সংখ্যালঘু জাতিসমূহের মধ্যে মনিপুরী অন্যতম। মনিপুরীদের নিজস্ব ভাষা, সাহিত্য, সংস্কৃতি হরফ রয়েছে কিন্তু ভাষা শিক্ষা এবং চর্চার সুযোগ কতটুকু তা পর্যালোচনার দাবি রাখে। মনিপুরীরা এদেশে আগমনের সময় যে মাতৃভাষাকে মুখের ভাষা হিসেবে নিয়ে এসেছিলেন তা আজও পারিবারিক ভাষা হিসেবে লালন করছে। কোন প্রাতিষ্ঠানিকভাবে মনিপুরী ভাষা শিক্ষার সুযোগ না থাকায় বাংলাদেশের মনিপুরী ভাষা কালের গহীনে বিলীন হয়ে যেতে পারে। তাই আগামী প্রজন্মের জন্য আমাদের ঐক্যবদ্ধভাবে মনিপুরী ভাষা শিক্ষার জন্য প্রাতিষ্ঠানিক উদ্যোগ গ্রহণ একান্ত জরুরী। মাতৃভাষাকে ভালবাসতে পারলে দেশ ও জাতিকে ভালবাসতে পারবে।

CamScanner

# পাবিরিবাসিংগী লামায়

**ইকাইখুম্নিঙাই ওইরবা ইডিটর**

'ইডিটরগী মফমদা অহানবা চহী (২০০৩) অমসুং অহানবামক্তদা ইকাই খুম্নবা উৎচরি লোয়ননা ইথিলদা য়াওবিরিবা মীয়ামশিংবু Happy new year.

শিক্ষানা জাতিগী মরুনি। পোকপদগী মীওইবগী শিক্ষাগী অরোয়বা লৈতে। হার্বার্ট স্প্রেয়ারনা হায়রম্মী - "Education has its object for the formation of character" হায়বদি লমচৎ শেমবনা শিক্ষাগী মীৎয়েংনি। ইপা-ইপুগী পাওরৌ অমা লৈ- "ইশিং পুন অথবদি লেংদে থন্দবদি লেংই। মতিক চাবা শিক্ষা ফংলবা জাতিনা নোংম নোংমাগী চাওখৎপা হায়বদো শোয়দ্রবনি। "ইথিল ম্যাগাজিন" অসে ফোংবদা মৈতৈ মচাশিংসে চাওখৎলে হায়না তমজনিঙাইনি।

Ithil Quarterly Magazine-দা য়াওবিরিবা শৈরেং-বারীমচা, আর্টিকল অমসুং ঈ-পাউনা চিংবা পারুবদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুঙাইবা ফাওহনখি। মরমদি বাংলাদেশতা লৈবিরিবা মৈতৈ মচাশিংনাময়াম মান্নুনা ইথিল ফোংবদা পুক্নিং অসে য়াম্না নুংশিখী।

অরোইবদা ইডিটরগী মফমদা বাহং অনী থমজরি। বাংলাদেশতা লৈবিরিবা মৈতৈগী মশীং কয়া য়াম্না লৈবগে? ২০০৩ গী মতুং-ইন্না বাংলাদেশতা লৈবিরিবা মৈতৈশিংগী লাইরিক হৈবাগী পার্সেন্ট কয়া য়াম্না লৈবগে।

মথংগী চেফোংদা ৱাহং অনীগি পাউখুম হাপ্পিরগদি অমুক হেন্না নুঙাইজগনি। ইথিল অসে অনৌবা, চহীদগী চিংবা তুংফাও পুম্সিচুপ্পা ঙানবা ওইরসনু।


অদোমগী

মুতুম শর্মিলী

শ্রীমঙ্গল সরকারী কলেজ

বিএসএস

তৃতীয় বর্ষ।


Dear Editor,

অদোমগী থা অহুম অহুমদা ফোংবা ইথিল (জুলাই-সেপ, ২০০২) কোপি ফংজবদা তশেংনা পুক্নিং নুংশি। মনিপুরী লোলশি তপনা তপনা মালেমগী মচি মচিদা শনদোরকপা হৌরকপসি থম্মোয়দা অপেনবা পোকই।

চহি খরগী মমাংদা 'মীৎকপ থোকপা' কৌবা চেফোং অমা Dhaka দগী ফংখি। থাক বাংনা ফোংলমবনি/মুৎথ্রমালে পাউ তাখিদ্রে। মসিনি ঐখোয়গী বোমদা হৌরগা পোকলাউবীদা লৌহশিনবা। শিরে ফরে চংলে করে, লেপপদি য়াদে। হোৎপু হোৎনরবদি নোংমদি মাই পাকলাকপসু য়াই। ইথিল গী গেত-অপ চপ চানা ফজরে। ইনদিয়াগী মমিং লৈরবা জরনেলদগী করিসু তাদে। তৌবতবু মনুংগী মচাকতা অবাৎপা, শেমদোক শাদোক্নদবা খরা লৈবগুম্বা মাল্লি।

ইথিল দা ওইহনজনিংবা খরা লৈ। মদুদি (১) মনি বাংলা (বাংলাদেশ মনিপুরী) দা লৈবা শকনাইরবা, শীংথাবা য়াবা মীওইশিংগী প্রোফাইলগুম্বা নত্রগা ইনতরবিউনচিংবা মরক মরক্তা ফোংবা। (২) মনিবাংলা গী সোসিও ইকোনোমী প্রোব্লেম উৎপা article তোইনা ফোংবা। (৩) মনি বাংলা দা বেস তৌবা Human Rights কী মরমদা খংহনবা। (৪) ভারতকী অবাং নোংপোকতা লৈরিবা মনিপুরীশিংগী থৌদোক ৱাথোক চাং নাইনা ফোংনবা হোৎনবা। পনজরিবা হিরম খরসিনা অমগা অমগা ই-পাউ ফাওবা ঙম্নবগী চাউরবা পামবৈ ওইগনি।

মতম কুইনদগী আশা তৌদুনা লাকখ্রবা ফোংদোকফম লৈতবদগী অরেম্বা তাদুনা লাকখিবা বাফম অমা পনবা তারবদি বাংলাদেশ রেদিওদা অমদি বি.বি.সি দা পুং খরগী মনিপুরীদা রিগুলর প্রোগ্রাম শনদোকনবা হোৎনবীয়ু। BBC/VOA দা বাংলা, হিনদি, উরদু, তামিল, লোলগী ই-পাউ শনদোকপদৌনা। ৱাফমশি লানা লৌবিগনু। মৈতৈ অমদি পাঙল পুন্না হোৎনমিনবদা মাই পাকলোইদবগী মরম লৈতে।


পুকচেল শেংনা

এফ. আহমদ

চিংদোং লৈকাই,

চম্পানগর, জিরিবাম, ৭৯৫১১৬, মনিপুর, ভারত।


শ্রদ্ধেয় সম্পাদক,

প্রতিষ্ঠালগ্ন থেকে সময়মত "ইথিল" প্রকাশনার সাথে জড়িত সকল সম্মানিত ব্যক্তিবর্গের জানাই খ্রীষ্টিয় নববর্ষ ২০০৩-এর শুভেচ্ছা। আমি যে বিষয়টি অনুরোধ করছি তা হলো যাদের তথ্যবহুল ও মূল্যবান লেখনিতে ইথিল পূর্ণাঙ্গ রূপ পাচ্ছে বিশেষ করে যারা নতুন তাদের প্রত্যেকের পরিচিতি খুব সংক্ষিপ্ত আকারে তুলে ধরার ব্যবস্থা থাকা প্রয়োজন, তাই বলে "লেখক বা কবি পরিচিতির" মত ব্যাপক আকারে নয়, খুব সাধারণভাবে "যাদের লেখা স্থান পেয়েছে" এ ধরনের অন্য কোন উপযুক্ত বাক্যে যোগাযোগের ঠিকানা দেওয়া যায় তাহলে যারা লেখালেখির চর্চা

CamScanner

করছে তাদের একটা জরিপ পাওয়া যাবে তাছাড়া কারো লেখার জন্য ব্যক্তিগতভাবে প্রশংসা, কোন তথ্য সংগ্রহ, উৎসাহ বা সমালোচনার মাধ্যমে কোন ভুল বা দুর্বল দিকগুলো চিহ্নিত এবং সংশোধনের ব্যবস্থা করে লেখায় উৎসাহিত করা প্রয়োজন কেননা প্রতিভা বিকাশের ক্ষেত্রে কারো উৎসাহ ব্যাপারটা খুবই মূল্যবান। উল্লেখ্য নতুন যারা লিখছে তাদের লেখক বা কবি বলে সম্বোধনের পক্ষে একমত হতে পারলাম না বলে আন্তরিকভাবে দুঃখিত কেননা কেউ হয়তো বছরে একটা কবিতা, ছোট গল্প, প্রবন্ধ বা কোন একটা বিষয়ে দু'কলম লিখে থাকে এমনও দেখা যায় অন্যের কোন লেখা নিজের নাম দিয়ে পাঠিয়ে দেয়, না হয় অনুবাদ, সেক্ষেত্রে তাদের লেখক বা কবি বলা যায় কি? একথা আমি এজন্য বললাম আমাদের সমাজে আত্মসমালোচনার পরিবর্তে অহংবোধের প্রবণতা দেখা যায়, তাই হয়তো কোথাও কোন লেখা পাঠানোর সময় সৌজন্যমূলক প্রবণতা দেখা যায় ব্যাপারটা এরকম আমি নিজেই নিজের নাম লেখার সময় মিঃ বা জনাব ব্যবহার করার মত। আর কোন লেখা কোথাও প্রকাশের উদ্দেশ্যে পাঠালে উক্ত লিখা প্রকাশের যোগ্য কিনা তাও ভেবে দেখে না। কিন্তু সম্পাদক মহোদয় আরো লেখার উৎসাহের জন্যই হয়তো সেগুলো গণহারে ছাপাতে দেন কিন্তু এভাবে চলতে থাকলে ভবিষ্যতে কতটুকু উন্নত মানের লেখা আশা করা যায় বিষয়টির প্রতি যদি সদয় দৃষ্টি দেন তাহলে উল্লেখিত বিষয়গুলো কিছুটা হলেও সংশোধনের সম্ভাবনা থাকে তাতে ইথিল তথা আমাদের সাহিত্য আরো সমৃদ্ধ হবে।

লাইশ্রম শ্যামল
ঢাকা।
০১.০১.২০০৩

## আর্টিকল থাবিরকউ

ইথিল থা ৩/৩ গী চেফোংগীদমক খুন্নাইসিগী অমদি জাতিগী ওইবা হীরমসিংদা শৈরেং বারেং, বারীমচা পুবারী, সেনমিৎলোন লৈঙাকলোন্ন চিংবদা নৈনবা আর্টিকলশিং চেমায় অমদা খুৎই শেংনা ইবিরগা অদোমগী কোপী থল্লগা থাবিরকউ। থাবিরকখিবা আর্টিকলগী কোপী অমুক হন্না পিথোকচদবগীদমক্তদি ঙাকপিগনি।

ইডিটর
ইথিল
৪, কাঠাল বাগান, ধানমন্ডি, ঢাকা-১২০৫

প্রচ্ছদ কাহিনী

# আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস ও মনিপুরী ভাষা

সি জে খুমন

বাংলাদেশের মানুষের হাজার হাজার বছরের মায়ের ভাষা বাংলা। এদেশের মানুষ স্বপ্ন দেখে বাংলা ভাষায়, বাংলায় গায় গান, বাংলায় কথা বলে, কবিতা লেখে, নাটক করে। এক কথায় বাংলাদেশের মানুষের জীবনের ভাষা বাংলা ভাষা। বাংলা ভাষাভাষি মানুষের ওপর যুগে যুগে অনেক উপনিবেশিক শাসন করে গেছেন তাদের ভাষা ছিল ভিন্ন ভিন্ন। কিন্তু কখনও এদেশের মানুষ তাদের ভাষাকে গ্রহণ করেনি। বরং বাংলা ভাষাকে আরো সমৃদ্ধ করে বিশ্বের বুকে আত্মমর্যাদার স্বীকৃতি অর্জন করেছেন।

১৭৫৭ সালে পলাশীর আম্রকাননের যুদ্ধে বাংলা-বিহার-উড়িষ্যার নবাব সিরাজদ্দৌলা ইস্ট ইন্ডিয়া কোম্পানীর অধিনায়ক লর্ড ক্লাইভের নিকট পরাজিত হন। ১৭৫৭ সাল থেকে ১৯৪৭ সাল পর্যন্ত প্রায় দু'শ বছর ধরে এদেশে ইংরেজরা শাসন শোষণ করেছে। ইংরেজ শাসনামলে এদেশের সরকারী ভাষা ছিল-ইংরেজী। ১৯৪৭ সালে ইংরেজরা ভারত উপমহাদেশ ছেড়ে চলে গেল আর উপমহাদেশে দু'টি স্বাধীন রাষ্ট্রের উদ্ভব হয় একটি ভারত অপরটি পাকিস্তান। তখন বাংলাদেশ পাকিস্তানের মধ্যে রয়ে যায়, পূর্ব বাংলা বা পূর্ব পাকিস্তান নামে।

১৯৪৭ সাল থেকে পাকিস্তান হওয়ার পর বাংলার ভাষা আন্দোলনের সূত্রপাত ঘটে। ১৯৪৭ সালে নতুন রাষ্ট্র পাকিস্তানের সংবিধান রচনার জন্যে পাকিস্তানের গণপরিষদে কাজ শুরু হয়। ১৯৪৮ সালের ২৩ ফেব্রুয়ারী পাকিস্তান গণপরিষদের সভায় ইংরেজী ভাষার সঙ্গে উর্দু ভাষা ব্যবহারের প্রস্তাব করা হলে গণপরিষদের সদস্য ধীরেন্দ্র দত্ত 'উর্দু'র সঙ্গে 'বাংলা' ভাষার যুক্ত করার প্রস্তাব উত্থাপন করেন। যাতে গণপরিষদের সদস্যরা তাদের ইচ্ছামতো ইংরেজী, উর্দু বা বাংলা ভাষা ব্যবহার করতে পারেন। কিন্তু গণপরিষদে ধীরেন্দ্রনাথ দত্তের ঐ প্রস্তাবের বিরোধিতা করেন পাকিস্তানের তখনকার প্রধানমন্ত্রী নবাবজাদা লিয়াকত আলী খান, পাকিস্তান গণপরিষদের সহ-সভাপতি মৌলবী তমিজউদ্দিন খান এবং পূর্ব বাংলার সে সময়কার মুখ্যমন্ত্রী খাজা নাজিমউদ্দিন। ফলে, সংখ্যাগরিষ্ঠ মানুষের প্রাণের ভাষা বাংলা পাকিস্তান গণপরিষদে অবহেলিত ও উপেক্ষিত হতে থাকে।

পাকিস্তান গণপরিষদে বাংলার মানুষের প্রাণের ভাষা বাংলা ভাষাকে স্বীকৃতি না হওয়ার প্রতিবাদে ১১ মার্চ ১৯৪৮ সাল ঢাকা শহরে ছাত্র সমাজ প্রথম 'রাষ্ট্রভাষা দিবস' পালন করে। ঐদিন ছাত্রসমাজ বাংলা ভাষার দাবীতে ধর্মঘট, প্রতিবাদ সভা এবং বিক্ষোভ মিছিলের অনুষ্ঠান করে। ছাত্রদের ওপরে পুলিশের ব্যাপক লাঠি চার্জ, কাদানে গ্যাস নিক্ষেপ এবং গুলিবর্ষণের ফলে বহু ছাত্র আহত এবং বহু ছাত্র গ্রেফতার হয়। এভাবেই বাংলাকে পাকিস্তানের অন্যতম রাষ্ট্রভাষা করার জন্যে ভাষা আন্দোলনের শুরু।

পূর্ব বাংলার রাষ্ট্রভাষা আন্দোলন শুরু হওয়ার পর পাকিস্তানের প্রথম গভর্ণর জেনারেল মোহাম্মদ আলী জিন্নাহ ১৯৪৮ সালের মার্চ মাসের তৃতীয় সপ্তাহে ঢাকা সফরে আসেন। ২১ মার্চ ঢাকা রমনার মাঠে তিনি এক বিরাট জনসভায় ভাষণ দেন। ঐ ভাষণে তিনি পাকিস্তানের রাষ্ট্রভাষা কি হবে সে সম্পর্কে বলতে গিয়ে বলেন যে, 'পাকিস্তানের একমাত্র রাষ্ট্রভাষা হবে উর্দু অপর কোন ভাষা নয়।' তখন তিনি একথাও জানিয়ে দেন যে যারা এ ব্যাপারে বিভ্রান্ত করতে চাইবে তারা পাকিস্তানের প্রধান শত্রু। ২৪ মার্চ তারিখে মোহাম্মদ আলী জিন্নাহ ঢাকা বিশ্ববিদ্যালয়ের বিশেষ সমাবর্তন উৎসবে আবার জোর দিয়ে বলেন যে, 'কেবলমাত্র একটি রাষ্ট্রভাষাই থাকতে পারে .... সেই ভাষা আমার মতে উর্দুই হতে পারে'। জিন্নাহ সাহেবের ঐ ঘোষণার প্রতিবাদে উপস্থিত ছাত্রজনতা 'না' 'না' ধ্বনি দিয়ে ওঠেন।



ঐদিনই ছাত্রনেতারা জিন্নাহ সাহেবের সাথে দেখা করেন এবং বাংলা ভাষাকে পাকিস্তানের অন্যতম রাষ্ট্রভাষা করার দাবী জানিয়ে একটি স্মারকলিপি পেশ করেন। কিন্তু জিন্নাহ সাহেব এ দাবী গ্রহণ করেনি। ১৯৪৮ সালের ৮ এপ্রিল পূর্ব বাংলা আইন সভার অধিবেশনে বাংলা ভাষাকে কেবলমাত্র পূর্ব বাংলার সরকারি ভাষারূপে ঘোষণা করা হয়। রাষ্ট্রভাষা সংগ্রাম পরিষদের সঙ্গে প্রধানমন্ত্রী খাজা নাজিমউদ্দীনের চুক্তি ছিল বাংলা ভাষাকে পাকিস্তানের অন্যতম রাষ্ট্রভাষা করার সুপারিশ করা হবে। খাজা নাজিমউদ্দীন সাহেব সে চুক্তির কথা রাখেননি।

ভাষা আন্দোলনের অবিস্মরণীয় রক্তাক্ত অধ্যায় ১৯৫২ সালের ২১ ফেব্রুয়ারী। ১৯৪৮ সাল থেকে ১৯৫২ সাল পর্যন্ত এই চার বছর ১১ মার্চ ছাত্ররা 'রাষ্ট্রভাষা দিবস' পালন করেছে। ১৯৫২ সালের ২৬ জানুয়ারি নিখিল পাকিস্তান মুসলিম লীগের ঢাকা অধিবেশনে পাকিস্তানের তখনকার প্রধানমন্ত্রী খাজা নাজিম উদ্দীন ঘোষণা করেন 'উর্দু'ই হবে পাকিস্তানের একমাত্র রাষ্ট্রভাষা'। ঐ ঘোষণার প্রতিক্রিয়ায় ৩০ জানুয়ারি প্রতিবাদ দিবস পালিত হয়। ঐদিন ছাত্ররা ধর্মঘট করে এবং ঢাকা বিশ্ববিদ্যালয়ের পুরাতন কলাভবন প্রাঙ্গণে প্রতিবাদ সভা অনুষ্ঠিত হয়। এই ধর্মঘট ও প্রতিবাদ সভা থেকেই ১৯৫২ সালে ভাষা আন্দোলনের রক্তাক্ত অধ্যায়ের সূচনা।

ঢাকা বিশ্ববিদ্যালয় রাষ্ট্রভাষা সংগ্রাম পরিষদের উদ্যোগে রাষ্ট্রভাষা সমস্যা সংক্রান্ত বিষয় নিয়ে ৩১ জানুয়ারি বার লাইব্রেরি হলে এক সর্বদলীয় কর্মীসভা বসে। উক্ত সভায় রাষ্ট্রভাষা আন্দোলনের জন্য জাতীয় ভিত্তিতে বিভিন্ন রাজনৈতিক দলের প্রতিনিধিদের নিয়ে একটি রাষ্ট্রভাষা কর্মপরিষদ গঠন করা হয়। এই কমিটি তাদের প্রথম সভায় সিদ্ধান্ত নেওয়া হয় যে ২১ ফ্রেবুয়ারি প্রদেশব্যাপী রাষ্ট্রভাষা দিবস পালন করা হবে। রাষ্ট্রভাষা দিবস পালনের জন্য কর্মসূচী গ্রহণ করে সভা, শোভাযাত্রা ও হরতালের মধ্য দিয়ে বাংলা ভাষাকে রাষ্ট্রভাষা করার দাবী তুলে ধরা।

তখন পাকিস্তানে কেন্দ্রীয় সরকার এবং পূর্ব বাংলার প্রাদেশিক সরকার ছিল মুসলিম লীগ। পাকিস্তান সরকারের প্রধানমন্ত্রী ছিলেন খাজা নাজিমউদ্দীন আর পূর্ব বাংলা প্রাদেশিক সরকারের মুখ্যমন্ত্রী ছিলেন নূরুল আমীন। ক্ষমতাসীন মুসলিম লীগ সরকার ২১ ফেব্রুয়ারি রাষ্ট্রভাষা পালনের জন্য সাধারণ ধর্মঘটের ডাকে বিচলিত হয়ে ২০ ফেব্রুয়ারি বিকেলে ঢাকা শহরে এক মাসের জন্য ১৪৪ ধারা জারি করে সভা, শোভাযাত্রা প্রভৃতি নিষিদ্ধ ঘোষণা করে। এদিকে ছাত্রসমাজ বিশ্ববিদ্যালয়ের বিভিন্ন হলে সারারাত ধরে বাংলা ভাষার দাবী ও ১৪৪ ধারা ভঙ্গের পক্ষে অসংখ্য পোস্টার লেখা হয়। পরদিন অর্থাৎ ২১ ফেব্রুয়ারি সকালে ১৪৪ ধারা ও পুলিশের সকল মহড়ার প্রতি অবজ্ঞা করে দলে দলে ঢাকা শহরের বিভিন্ন স্কুল কলেজের ছাত্র-ছাত্রীরা শোভাযাত্রা করে বিশ্ববিদ্যালয় প্রাঙ্গণে জমায়েত হতে থাকে। তারপর ঢাকা বিশ্ববিদ্যালয়ে পুরনো কলাভবন প্রাঙ্গণে আম গাছ তলায় এক ঐতিহাসিক সভা অনুষ্ঠিত হয়। ছাত্রনেতা গাজীউল হকের সভাপতিত্বে। সভার শুরুতে আওয়ামী লীগের সাধারণ সম্পাদক শামসুল হক কেন্দ্রীয় সংগ্রাম পরিষদের সিদ্ধান্ত অর্থাৎ ১৪৪ ধারা ভঙ্গ না করার সিদ্ধান্ত জানিয়ে দেন। পরিশেষে ছাত্ররা তাদের পূর্ব সিদ্ধান্ত অনুযায়ী ১৪৪ ধারা ভঙ্গ করে শোভাযাত্রা বের করার এবং বাংলা ভাষা রাষ্ট্রভাষার দাবী পেশ করার জন্য প্রাদেশিক পরিষদ ভবনে যাবার সিদ্ধান্ত নেয়। এদিকে বিশ্ববিদ্যালয় গেটের বাইরে পুলিশের কড়া প্রহরা ছিল। তাই ছাত্ররা ঠিক করল দশ জনের ছোট ছোট এক একটি মিছিল শোভাযাত্রা করে গেট দিয়ে বেরিয়ে যাবে এবং ১৪৪ ধারা ভঙ্গ করবে।

> **পৃথিবীর অপরাপর ভাষার ও মনিপুরী ভাষা এক প্রাচীণ ভাষা, যার প্রাচীন নাম 'মীতৈলোন'। এই ভাষার রয়েছে এক সমৃদ্ধ ইতিহাস ও ঐতিহ্য। উৎস বিচারে মনিপুরী ভাষা মঙ্গোলীয় মহাপরিবারের অন্তর্ভুক্ত। ডঃ সুনীতি কুমার চট্টোপাধ্যায় এর মতে মীতৈ বা মনিপুরী ভাষার বয়স অন্যূন ৩৪০০ বছর এবং প্রাচীনতার দিক থেকে মনিপুরী সাহিত্যের স্থান ভারতের প্রাচীনতম সাহিত্য কর্ম কৃষ-যজুর্বেদের পরেই। মনিপুরী ভাষা ও সাহিত্য দ্রুত বিকাশমান এবং বর্তমানে পূর্ব ভারতে এর স্থান তৃতীয় বাংলা এবং অসমীয়ার পরেই। একটি জাতির ভাষা কতটুকু উন্নত তা শুধুমাত্র ঐ ভাষাভাষীর সংখ্যার উপরে নির্ভর করে না বরং একটি উন্নত ভাষা সাহিত্যের বাহন হিসেবে এর যোগ্যতার নিরিখে ঐ ভাষার মানগত বিচার্য।**



CamScanner

সভার সিদ্ধান্ত অনুযায়ী ছাত্র ১০ জনের অসংখ্য দলে বিভক্ত হয়ে বিশ্ববিদ্যালয় গেট অতিক্রম করে ১৪৪ ধারা ভঙ্গ করতে থাকে 'রাষ্ট্রভাষা বাংলা চাই' শ্লোগানের মধ্য দিয়ে। পুলিশ ব্যাপক লাঠিচার্জ, কাদানে গ্যাস প্রয়োগ এবং ফাঁকা গুলিবর্ষণ করতে থাকে। ছাত্র-ছাত্রীদের ভঙ্গ করার জন্য তারা কলাভবনের প্রাঙ্গণেও প্রবেশ করে এবং অসংখ্য ছাত্র গ্রেফতার হয়।

ছাত্র-ছাত্রীরা ১৪৪ ধারা ভঙ্গ করে প্রাদেশিক পরিষদ ভবনের দিকে যাবার চেষ্টা করলে পুলিশ বেপরোয়া লাঠিচার্জ, কাদানে গ্যাস ছুঁড়ে এবং পাইকারী হারে গ্রেফতার করতে থাকে। ওদিকে মেডিক্যাল কলেজের ওয়ার্ড বয়, বেয়ারা, রাস্তার পাশের হোটেল রেষ্টুরেন্টের বয়-বেয়ারা, পথচারী, রিকসাওয়ালারাও যোগ দেয়। ফলে আন্দোলন ছাত্র-জনতার আন্দোলনে রূপান্তরিত হয় এবং তারা মিলিতভাবে পুলিশি জুলুমের শিকার হতে থাকে। মেডিক্যাল কলেজ ও বিশ্ববিদ্যালয় মাঠের কোনায় ছিল ওয়াটার সাপ্লাইর একটি সাব-স্টেশন, ঐখানে রাস্তার মোরে সেদিন পুলিশ ঘাঁটি স্থাপন করেছিল। পরিষদ ভবনে যাবার পথে ছিল ই,পি,আর-এর মেশিনগান পোস্ট এবং কাঁটাতারের ব্যারিকেড। ছাত্র-জনতার মিছিল বার বার মেডিক্যাল হোস্টেল থেকে বেরিয়ে সেই ব্যারিকেড অতিক্রম করে পুলিশী জুলুমের প্রতিবাদ ও বাংলা ভাষার দাবী পেশ করার জন্য পরিষদ ভবনের দিকে যাবার জন্য চেষ্টা করে। অপরাহ্নে ঐ পরিস্থিতিতে ভাষার দাবীতে বিক্ষুব্ধরত ছাত্র-জনতার ওপর পুলিশের গুলিবর্ষণ চলে। পুলিশের গুলিবর্ষণে শহীদ বরণ করেছিল শহীদ আবুল বরকত, রফিকউদ্দিন আহমদ, আব্দুল জব্বার, আব্দুস সালাম (৪৫ দিন পর মেডিক্যাল কলেজ হাসপাতালে মৃত্যু) তাছাড়া আরো অনেকে আহত হয়েছিলো। ইতিমধ্যে ছাত্র-জনতার ওপর পুলিশের গুলিবর্ষণের খবর চারিদিকে ছড়িয়ে পড়ে। পরেরদিন বিভিন্ন পত্রিকায় ছাত্র সমাবেশের উপর পুলিশের গুলিবর্ষণ ও নিহতদের খবর ছাপা হয়।

ভাষা আন্দোলনে শহীদের স্মৃতিকে অম্লান করে রাখার জন্য ঢাকা মেডিক্যাল কলেজের ছাত্র-ছাত্রীদের মধ্যে উদয় হয়েছিল শহীদ স্মৃতিস্তম্ভ বা শহীদ মিনার এর স্বপ্ন। ২৩ ফেব্রুয়ারি যেখানে গুলি হয়েছিল এবং মৃতদেহ পড়েছিল সেখানে সাঈদ হায়দার ও বদরুল আলমের নক্‌শা ও রেখায় রাতারাতি শহীদ মিনার নির্মাণ করা হয়। ইহাই ছিল বাংলাদেশের ইতিহাসে প্রথম শহীদ মিনার। ২৪ ফেব্রুয়ারি শহীদ শফিউর রহমানের পিতা উদ্বোধন করেছিলেন এবং ২৬ ফেব্রুয়ারি আনুষ্ঠানিকভাবে উদ্বোধন করেছিলেন 'দৈনিক আজাদ' পত্রিকার সম্পাদক আবুল কালাম শামসুদ্দীন। ২৪ থেকে ২৬ ফেব্রুয়ারির মধ্যে এই শহীদ মিনার হয়ে ওঠে বাঙালীর তীর্থ কেন্দ্র। ক্ষমতাসীন মুসলিম লীগ সরকার তা মেনে নিতে পারেনি। ২৬শে ফেব্রুয়ারি অপরাহ্নে নাজিমউদ্দিন-নূরুল আমীনের সশস্ত্র বাহিনী বাঙালীর এই ঐতিহাসিক প্রথম শহীদ মিনারটি ধুলিসাৎ করে দেয়। কিন্তু বাঙালীদের হৃদয়ে এ শহীদের স্মৃতি অম্লান হয়ে আছে। প্রতি বছর ২১ ফেব্রুয়ারি উদযাপিত হয় যথাযোগ্য মর্যাদায় শহীদ দিবস। ১৯৭২ সালে স্বাধীন বাংলাদেশে প্রথম শহীদ দিবস পালিত হয়েছিল ঐ ভাঙা শহীদ মিনারেই।

১৯৫২ সালের ভাষা আন্দোলনের রক্তাক্ত ঐ দিনে চট্টগ্রামে মাহবুব-উল-আলম চৌধুরী একটি দীর্ঘ কবিতা লিখেছিলেন। 'কাঁদতে আসিনি, ফাঁসীর দাবী নিয়ে এসেছি'। কবিতাটি রচিত হওয়ার সঙ্গে সঙ্গেই এটি পুস্তিকা আকারে ছেপে প্রকাশ করা হয়েছিল। সরকার কবিতাটি সঙ্গে সঙ্গে নিষিদ্ধ ঘোষণা করে। মাহবুব-উল-আলম চৌধুরী কবিতার মধ্যে একুশের ঘটনায় বাঙালীর মনোভাব ফুটিয়ে উঠেছিল। ২১ ফেব্রুয়ারির চেতনাকে চির অম্লান করে রাখার তাগিদে আব্দুল গাফ্‌ফার চৌধুরীর কবিতা "আমার ভাইয়ের রক্তে রাঙানো একুশে ফেব্রুয়ারি আমি কি ভুলিতে পারি" গান হয়ে উঠেছিল। কবিতাটি প্রথমে আব্দুল লতিফের সুরে আতিকুল ইসলামের কণ্ঠে গান হয়ে ওঠে ১৯৫৩ সালের ২১ ফেব্রুয়ারি প্রথম শহীদ দিবসে ঢাকা কলেজের অনুষ্ঠানে ঐ গান পরিবেশন করা হয়েছিল। পরবর্তীতে আলতাফ মাহমুদ গানটি আব্দুল লতিফের কাছে শিখে নেন এবং নতুন করে সুর করেন। আজও 'আমার ভাইয়ের রক্তে রাঙানো একুশে ফেব্রুয়ারি, আমি কি ভুলিতে পারি' গানটি বাঙালী জাতির শহীদ স্মৃতিকে অমর করে রেখেছে।

বাঙালীর গর্ব আর গৌরবের ইতিহাস মহান একুশে ফেব্রুয়ারি এখন সারা বিশ্বে আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস হিসেবে উদ্‌যাপিত হচ্ছে। ১৯৯৯ সালের ১৭ নভেম্বর জাতিসংঘের শিক্ষা, বিজ্ঞান ও সাংস্কৃতিক সংস্থা (ইউনেস্কো) এর সাধারণ পরিষদে বাংলাদেশের ভাষা শহীদ দিবসকে আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস হিসেবে উদ্‌যাপনের একটি প্রস্তাব সর্বসম্মতিভাবে গ্রহণ করা হয়। ২০০০ সাল থেকে জাতিসংঘের ১৮৮টি সদস্য রাষ্ট্র ১৯৫২ সালের ২১ ফেব্রুয়ারিতে মাতৃভাষার মর্যাদা আদায়ের জন্য আত্মদানকারী শহীদের প্রতি শ্রদ্ধা নিবেদন করে আন্তর্জাতিকভাবে মাতৃভাষা দিবস পালন করছে। আমার ভাইয়ের রক্তে রাঙানো একুশে ফেব্রুয়ারি, আমি কি ভুলিতে পারি? বাঙালী জাতি আজ বিশ্ববাসীর কাছে এক নতুন চেতনার মাত্রা সংযোজন করছে। 'একুশে ফেব্রুয়ারি' আর কেবল বাঙালীর 'শহীদ দিবস' রইল না। সালাম, বরকত, রফিক, জব্বারের রক্তভেজা মহান একুশে ফেব্রুয়ারি আজ 'আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস'।

আজ একুশের পথ ধরে বাংলাদেশে বসবাসরত সংখ্যালঘু সম্প্রদায় তাদের নিজস্ব ভাষা, সাহিত্য, সংস্কৃতি, ইতিহাস ও ঐতিহ্যকে তুলে ধরতে প্রয়াসী। মাতৃভাষা বাংলার পাশাপাশি এদেশের বৈচিত্র্যময় ক্ষুদ্র ক্ষুদ্র জাতিসমূহের ভাষাকে স্বীকৃতি



CamScanner

মনিপুরী ভাষার নিজস্ব বর্ণমালা রয়েছে। ঐতিহাসিকদের মতে মনিপুরী লিপি বা হরফ প্রবর্তিত হয় মহারাজ পাখংবা (৩৩-১৫৪ খৃঃ) এর শাসনামলে। তখন বর্ণসংখ্যা ছিল ১৮টি। পরবর্তীতে মহারাজ খাগেম্বার শাসনামলে ১৫৯৬-১৬৫১ খৃঃ) আরও ৯ বর্ণ সংযোজিত হয়। বর্তমানে ২৭ বর্ণ নিয়ে গঠিত মনিপুরী বর্ণমালা। উল্লেখ্য যে, অষ্টাদশ শতাব্দীতে রাজা গরীব নেওয়াজ (পামহৈবা) এর শাসনামলে (১৭০৯-১৭৪৯ খৃঃ) শ্রী শ্রী চৈতন্য প্রবর্তিত বৈষ্ণব ধর্ম রাষ্ট্রীয় ধর্ম রূপে গৃহীত হওয়ার পর বাংলা লিপি মনিপুরী লিপির স্থান গ্রহণ করে এবং সেই থেকে মনিপুরী ভাষা বাংলা বর্ণমালাতেই লিখিত হয়ে আসছে। অবশ্য বর্তমানে বিলুপ্ত মনিপুরী লিপির ব্যবহার ও প্রচলন শুরু হয়েছে।

প্রদানপূর্বক বাংলার লোকজন সংস্কৃতির বাহন হিসেবে এসব ক্ষুদ্র ক্ষুদ্র ভাষার সংরক্ষণ ও সমৃদ্ধির জন্য বাংলাদেশ সরকারের আশু পদক্ষেপ গ্রহণ একান্ত আবশ্যক।

পৃথিবীর অপরাপর ভাষার মনিপুরী ভাষাও এক প্রাচীণ ভাষা, যার প্রাচীন নাম 'মীতৈলোন'। এই ভাষার রয়েছে এক সমৃদ্ধ ইতিহাস ও ঐতিহ্য। উৎস বিচারে মনিপুরী ভাষা মঙ্গোলীয় মহাপরিবারের অন্তর্ভুক্ত। ডঃ সুনীতি কুমার চট্টোপাধ্যায় এর মতে মীতৈ বা মনিপুরী ভাষার বয়স অন্যূন ৩৪০০ বছর এবং প্রাচীনতার দিক থেকে মনিপুরী সাহিত্যের স্থান ভারতের প্রাচীনতম সাহিত্য কর্ম কৃষ-যজুর্বেদের পরেই। মনিপুরী ভাষা ও সাহিত্য দ্রুত বিকাশমান এবং বর্তমানে পূর্ব ভারতে এর স্থান তৃতীয়-বাংলা এবং অসমীয়ার পরেই। একটি জাতির ভাষা কতটুকু উন্নত তা শুধুমাত্র ঐ ভাষাভাষীর সংখ্যার উপরে নির্ভর করে না বরং একটি উন্নত ভাষা সাহিত্যের বাহন হিসেবে এর যোগ্যতার নিরিখে ঐ ভাষার মানগত বিচার্য। আর সে দৃষ্টিকোণ থেকে বিচার করলে মনিপুরী ভাষা নিঃসন্দেহে বিশ্বের উন্নত ভাষাগুলোর অন্যতম বলে বিবেচিত হওয়ার দাবী রাখে।

মনিপুরী ভাষাভাষীর সংখ্যা প্রায় ৩০ লাখেরও বেশী যার অধিকাংশই বসবাস করে ভারতের উত্তর পূর্বাঞ্চলের মনিপুর রাজ্যে। অবশ্য, মনিপুরের বাইরেও ভারতের আসাম ও ত্রিপুরা রাজ্যে, মায়ানমার এবং বাংলাদেশে উল্লেখযোগ্য সংখ্যক মনিপুরী ভাষাভাষীর বাস। যেহেতু মনিপুরই মনিপুরীদের আদি বাসস্থান এবং মনিপুরী জাতির মূল অংশের বসবাসও সেখানেই। সুতরাং মনিপুরী ভাষার ইতিহাস ঐতিহ্য আলোচনা করতে হলে স্বভাবত মনিপুর রাজ্যে দৃষ্টি নিবদ্ধ করতে হয়।


শতাব্দীর পর শতাব্দীকাল ধরে মনিপুর রাজ্যের রাজ্যভাষা এবং শিক্ষার মাধ্যমও মনিপুরী ভাষাই। এছাড়া মনিপুরী ভাষা বর্তমানে ভারতের বিভিন্ন স্কুল, কলেজ ও বিশ্ববিদ্যালয়ে এবং শিক্ষাবোর্ড কর্তৃক কারিকুলামে অন্তর্ভুক্ত এবং অনুমোদিত। অধিকন্ত গত ২০ আগস্ট ৯২ইং তারিখে ভারতীয় পার্লামেন্ট এক বিল পাশ করে মনিপুরী ভাষাকে ভারতীয় সংবিধানের অষ্টম তফসীলে অন্তর্ভুক্তির মাধ্যমে ভারতের অন্যতম জাতীয় ভাষা হিসেবে স্বীকৃতি দিয়েছে।

মনিপুরী ভাষার নিজস্ব বর্ণমালা রয়েছে। ঐতিহাসিকদের মতে মনিপুরী লিপি বা হরফ প্রবর্তিত হয় মহারাজ পাখংবা (৩৩-১৫৪ খৃঃ) এর শাসনামলে। তখন বর্ণসংখ্যা ছিল ১৮টি। পরবর্তীতে মহারাজ খাগেম্বার শাসনামলে (১৫৯৬-১৬৫১ খৃঃ) আরও ৯টি বর্ণ সংযোজিত হয়। বর্তমানে ২৭টি বর্ণ নিয়ে গঠিত মনিপুরী বর্ণমালা। উল্লেখ্য যে, অষ্টাদশ শতাব্দীতে রাজা গরীব নেওয়াজ (পামহৈবা) এর শাসনামলে (১৭০৯-১৭৪৯ খৃঃ) শ্রী শ্রী চৈতন্য প্রবর্তিত বৈষ্ণব ধর্ম রাষ্ট্রীয় ধর্ম রূপে গৃহীত হওয়ার পর বাংলা লিপি মনিপুরী লিপির স্থান গ্রহণ করে এবং সেই থেকে মনিপুরী ভাষা বাংলা বর্ণমালাতেই লিখিত হয়ে আসছে। অবশ্য বর্তমানে বিলুপ্ত মনিপুরী লিপির ব্যবহার ও প্রচলন শুরু হয়েছে।

মনিপুরী ভাষা ছোট একটি জনগোষ্ঠির ভাষা বটে, তবু তা মাতৃভাষা। মাতৃভাষা চর্চার মাধ্যমেই একটি জনগোষ্ঠি সচেতন হতে পারে। গণপ্রজাতন্ত্রী বাংলাদেশ সরকার সম্প্রতি স্থাপিত আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা ইনস্টিটিউট আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা চর্চা ও গবেষণা কেন্দ্রে বিশ্বের অন্যান্য ভাষার ন্যায় মনিপুরী ভাষাসহ বাংলাদেশের সকল ক্ষুদ্র জাতিসমূহের মাতৃভাষার নমুনা সংগ্রহ করে সংরক্ষণ করা হলে মাতৃভাষা চর্চার পথ সুগম হবে।

# মনিপুরী ইনডোর গেম কাং (কাং শান্নবা)

এম. সুমন




বিশ্বের জাতিগত সংখ্যালঘুদের মধ্যে মনিপুরী একটি অন্যতম। মনিপুরী জাতি সংখ্যার দিক থেকে স্বল্প হলেও তাঁর নিজস্ব ইতিহাস, ভাষা, সাহিত্য, সংস্কৃতি প্রভৃতিতে একটি পূর্ণাঙ্গ জাতি। আর মনিপুরীদের প্রধান পরিচিতি 'নৃত্য' আজ বিশ্বব্যাপী খ্যাতি লাভ করেছে। একটি জাতি তার কতকগুলো জাতীয়ভাবে কিংবা আন্তর্জাতিকভাবে পরিচিত বা স্বীকৃত খেলা রয়েছে। যেমন মনিপুরীদের আউটডোর খেলা "পোলো" (শাগোল কাংজৈ) আজ বিশ্বের অন্যতম খেলা হিসেবে পরিগণিত। অন্যদিকে ইনডোর খেলা 'কাং' মনিপুরী সভ্যতার উষালগ্ন থেকে ওতপ্রোতভাবে জড়িত। এ খেলাটির একটি অন্তর্নিহিত দর্শনও রয়েছে।

কথিত আছে যে পৃথিবী সৃষ্টির পরে সাত জন দেবী এবং নয়জন দেবতার মধ্যে কাং খেলা হয়েছিল। মনিপুরী ভাষায় 'কাংবা' শব্দের অর্থ "শুরু"। খেলাটি বিশ্বের পুরাতন প্রকৃতির বস্তুজগতের মধ্যে নতুন জীবন সঞ্চারের তাৎপর্যকে ফুটিয়ে তুলে ধরেছে। মনিপুরের ইতিহাস ও 'পুয়া' নামক ধর্মগ্রন্থ থেকে জানা যায় যে রাজা 'লোয়তোংবা'এর শাসনামলে ১১২২ খৃষ্টাব্দ থেকে 'কাং শান্নবা' বা কাং খেলার ব্যাপক প্রচলন এবং বিকাশ লাভ করে।

কাং খেলাটি দু'টি দলের মধ্যে খেলা অনুষ্ঠিত হয়। প্রতি দলে ৭ জন করে খেলোয়াড় খেলার মাঠে অবস্থান নেয়। দু'টি চেকফৈ এবং একটি লমথা এর সমন্বয়ে স্কোর গঠিত হয়। যতক্ষণ পর্যন্ত এক দল পয়েন্ট অর্জন করতে থাকে ততক্ষণ সেই দলের ইনিংস চলতে থাকে। ইনিংস বিপর্যয় হলে অপর দল ইনিংস শুরু করে।




POSES OF CHEKPHEI PLAY

চেকফৈ দাড়ানো অবস্থায় খেলা হয় এখানে কাং বিপরীত দিকের লক্ষ্যবস্তুতে ছুড়ে দেওয়া হয়। আর লমথা এক আঙুলের সাহায্যে কাং সামনের দিকে ধাক্কা দেওয়া হয় যা বিপরীত দিকের লক্ষ্যবস্তুকে আঘাত করার জন্য। প্রত্যেক খেলোয়াড়ের জন্য আলাদা আলাদা সীমানা থাকে। নির্দিষ্ট কোন খেলোয়াড় কর্তৃক যদি লমথা ভুল বা জটিলতার সৃষ্টি করে এবং সীমানাটি অতিক্রম করে তাহলে ঐ খেলোয়াড়ের ইনিংস অবাঞ্ছিত হয়ে যায়। এটি এই খেলার বৈশিষ্ট্য। "অল মনিপুর কাং এসোসিয়েশন" (ভারত) এই খেলার বিস্তারিত নিয়ম কানুন তৈরী করেছে এবং তাদের দায়িত্বে প্রকাশ করেছে।

কাং খেলাটিকে আধুনিক পদ্ধতিতে পুনর্গঠিত করার জন্য ১৯৫২ সালে অল মনিপুর কাং এসোসিয়েশন গঠন করা হয়। দ্বিতীয় বিশ্বযুদ্ধের পর ১৯৫০ দশকের শেষ দিকে মনিপুরী অধ্যুষিত বিভিন্ন অঞ্চলে ভিন্ন ভিন্ন নিয়মে এবং আইনে কাং খেলা অনুষ্ঠিত হতো। যার কারণে নানা তর্ক, বিতর্ক, বিশৃঙ্খলা এবং দ্বন্দ্ব সংঘাতের সৃষ্টি হয়। এই পরিস্থিতি রক্ষা পাওয়ার জন্য ১৯৫২ সালে অল মনিপুরী কাং এসোসিয়েশন প্রতিষ্ঠার পর কাং খেলার একটি সুনির্দিষ্ট নীতিমালা গঠন করা হয় এবং গৃহীত হয়। স্বর্গীয় থাম্বাল সিংহ এর স্মরণে ১৪ মে ১৯৫২ সালে একটি লীগ টুর্নামেন্ট অনুষ্ঠিত হয়। মহারাজ স্যার চুড়াচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই, সি.বি.ই এর স্মরণে ১৯৫২ সালের জুন মাসে মনিপুরের তৎকালীন মহারাজ একটি ট্রফি রাজকীয় অনুদান দেন। উল্লেখিত টুর্নামেন্টটি অল মনিপুর কাং এসোসিয়েশন কর্তৃক মনিপুরে এখন পর্যন্ত কোন প্রকার বিঘ্ন ছাড়াই অনুষ্ঠিত হয়ে আসছে। ১৯৭৯ সালে মনিপুরে প্রথমবারের মতো আন্তঃ অফিস কাং টুর্নামেন্ট অনুষ্ঠিত হয়। ১৯৮৪ সালের জুলাই মাসে মনিপুরের মহামান্য গভর্ণর 'মনিপুর গভর্ণর' এর নামে একটি ট্রফি দিতে সদয় সম্মতি দেন।

১৯৭৯ সালে 'অল মনিপুর উইমেন কাং এসোসিয়েশন' গঠিত হয় এবং ১৯৮২ সালে সরকারী নিবন্ধন লাভ করে। মহারানী ধনমঞ্জুরী এর স্মরণে "অল মনিপুর উইমেন কাং এসোসিয়েশন কর্তৃক মহিলা কাং টুর্নামেন্টের আয়োজন করে। অল মনিপুর কাং এসোসিয়েশন এর নীতিমালা অনুসারে মনিপুরে বেশ কিছু আঞ্চলিক টুর্নামেন্ট অনুষ্ঠিত হয়।



KANG


POSES OF LAMTHA PLAY

মনিপুরের বাইরে আসাম, ত্রিপুরা ও বাংলাদেশে কাং টুর্নামেন্ট অনুষ্ঠিত হয়। বাংলাদেশে কাং খেলাটি অনিয়মিতভাবে অঞ্চলভেদে বিশেষ পার্বনে অনুষ্ঠিত হতো। বাংলাদেশ মনিপুরী যুব সমিতি (বামযুস) ভানুগাছ শাখার আয়োজনে কমলগঞ্জ থানার অন্তর্গত ভানুবিল নামকগ্রামে সর্বপ্রথম ১৯৮১ বাংলাদেশের মনিপুরীদের মধ্যে কাং টুর্নামেন্ট অনুষ্ঠিত হয়। বাংলাদেশে কাং খেলাটির পূর্ণাঙ্গতা আনার জন্য ১৯৯৮ সালে 'বাংলাদেশ কাং ফেডারেশন' গঠিত হয় এবং একটি সুনির্দিষ্ট নীতিমালা তৈরী করা হয়। ১৯৯৮ সাল হতে 'বাংলাদেশ কাং ফেডারেশন' কর্তৃক লীগ টুর্নামেন্টের আয়োজন করে আসছে। এ বছর অর্থাৎ ২০০৩ সাল থেকে "অল মনিপুর কাং এসোসিয়েশন' এর সুনির্দিষ্ট নীতিমালার আওতায় বাংলাদেশেও কাং লীগ টুর্নামেন্ট অনুষ্ঠিত হয়। কাং খেলাটি সর্বজনস্বীকৃত খেলা হিসেবে পরিগণিত করার জন্য 'বাংলাদেশ কাং ফেডারেশন' উক্ত সিদ্ধান্ত গ্রহণ করা হয়েছে।



CamScanner

# কাংখুল মুৎখিগদৌরবা অবাগী মনিপুরী খুন্নাই

নিঙোম্বম থম্বাল



SHWEDAGON PAGODA

(অহমশুবা চেফোংগী মথং)

ঐদি নোং ঙানফাৎত্রিঙৈদগী হৌন অয়ুক্কী চিন-খ্বা সেংবনা চিংবা পুন্নমক লোয়সিনদুনা অমরাপুরা চৎনবা সেম সাবা লোয়সিন্দুনা লৈরম্মি। তাদোসু অয়ুক্কী চিন-খ্বা সেংবা লোয়সিনলক্কুনা ইবানি ঐগ্যা সুন্দর গোপালগি ময়াম্বা য়াইমগি মচানূপি লৈমাবী রূপমালানা পুরকপা ব্রেকফাষ্ট চারম্মি। ঐগ্যাসু লোয়সিনলক্কুনা ঐখোয় অহুম ঐগ্যাগি কার অঙৌবদুদা তোংদুনা আমরাপুরাগিদমক খোঙশানবা হৌরম্মি। ঙায়হাক মিনিট ১২/১৩ থৌরগা আমরাপুরা মনুংদা লৈবা, লম্বি মাপান্দ তাব "দাৎ দালে" (Dat Dale) কৌবা মনিপুরি খুল অদুগী মপা য়ৌদুনা কার অদু খামলম্মি। কার খামলিবা লম্বিসি মনাকদুদা য়েংখাৎখিবদা মফমদুদা হিথাংফম অমা লৈবা উরম্মি। "মফমসি মতম অয়াম্বদা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈবা মফমনি; ইকং থাদদি ঈশিং লৈতে; খোঙনা, যন-গাড়িনা (কঙনা) চৎপা য়াই।" হায়না ঐগ্যানা ঐখোয়দা তাকপিরম্মি। মীতৈ অহল, মশাগি চহি ৬৪/৬৫ মুক সুরমগদবা মানবা অমা, অমসুং মশাগি চহি ৩১/৩২ রোম সুরমগদৌ মানবী মীতৈ লৈশাবী (খুদক্কুদা ঐগ্যানা শক তাক্কুনা খঙবনি) অমগা মখোয় অনি, হি মচা অমমম তোংদুনা ঐখোয়বু তারাম ওকলম্মি। মখোয়দু ঐগ্যানা ঙরাংনা পাউ থাখিদুনা ঙায়রমলিবনি। ঐখোয় অহুম মখোয় অনিগী হিদ তোংদুনা "দাত দালে" (Dat Dale) খুল তম্ন হোনলম্মি। মিনিট ৩ মুক্কি মনুংদা দাত দালে মনিপুরি খুলদা য়ৌরম্মি। খুলগি য়ুম অয়াম্বা ধারি মাপান ফাওবা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈরম্মি। চেনদবা ঈশিংদুনা মতম কুইনা ইরিদুনা লৈগনলি হায়না ঐখোয়দা খুলগি অহল-লম্মনসিংনা তমলম্মি। সেল-থুম খর থোক্পা ইমুংদি য়ুমগি অকোয়বা ধারিসিং অদু চেক-বিলাতীমাটি তৌদুনা য়াম্ন বাংন চনখৎনৈ। মদুম্না তৌবদুনা মতম সাংনা ইরিবা ঈশিংনা ধারি অমসুং য়ুম্ফম নিংখাইবদগি কন্বা ঙম্মি। মতম অয়াম্বদা খোঙ চোৎ-চোৎ লাউদুনা লৈবনিনা হকচাং ফরমগদবা মানদে। খুল অদুগি মনিপুরী অয়াম্ব শক-মচু ইথোক-থোক্কবগুম তৌ-ই। খুল অসিগী চহি খর চৎলবী ইমা কলাবতি (চহি ৬০ মুক সুরে) অমসুং মচানূপা হুইদ্রোম কুলমনিগা পুন্ন থুংনা কোয়দুনা, বারী-বাতায় কয়া সাদুনা খুল অদুগী অমসুং খুল অদুদা তারিবা মনিপুরিসিংগি মরমদা কুপ্ন থিগৎলম্মি।

## দাত ডালে (DAT DALE)

মন্দলে ডিভিশন মনুংগি অমরাপুরা মনুংদা লৈবা, মীতৈনা ঙম্না তাবা মনিপুরি খুঙ্গং অমনি। অবা লোন্দা "দাত ডালে য়ুয়া" (Dat Dale Yuwa) হায়বসি ইমালোন্দনা "ময়াই থংবা থোঙগি খলর" হায়বনি। মতম অমদা "দাত ডালে" খুল লৈরিবা অদুবাইদা উ-না সাবা থোঙ অহম লৈরম্মি। ময়াই থংবা থোঙগি মপাদা "দাত ডালে" খুল তারম্মি। মরম অসিদগী খুল অসিবু "দাত ডালে য়ুয়া" হায়না খংনরকখিরম্মি। "দাতদা" হায়না অবা লোন অসি মীতৈলোন্দা থোঙ হায়বনি। "অলে" হায়বনা ইমা লোন্দা "ময়াই থংবা" হায়বনি। 'য়ুয়া' হায়বদি খুঙ্গং হায়বনি।

১. মীশিং ঃ পুন্না য়ুম ৩০ লৈবদা অপুনবা মীশিং ১৫০ মুক্কি। মশাগি চহি ৫০ দগি হেন্না অহল ওইখ্রবশিং মীতৈলোন চংনবা য়ানা ঙাংবা ঙম্মি। মশাগি চহি ২২/২৩ দগি মখা ওইথরকপসিংদি মীতৈলোনসি বাহৈ মচেৎ অমা ফাওবা ঙাংথোকপা ঙমদে। য়েংনরগা নোকমিন্নবা, ইঙ্গিত-ঈরাংনা হায়নিংলিবদু ফোঙদোক্লবাখক্তা ঙায়নরে।

২. মহৈ-মসিং ঃ মেট্রিকুলেশন পাস তৌবা মীওই পুন্না ৩৫ মুক লৈ। সরকারগি থবক তৌবা মী অমত্তা লৈত্রি।

৩. সিন্‌ফম ঃ মরূ ওইবা, পুন্সি হিংনবগি অমত্তা ঙায়রবা সিন্‌ফমদি ফি সাবনি। নিপা নূপি খাইদনা লোয়মক ফি সাই। লৈ অমদি উ-চারা সেমদুনসু সেল-তান্‌লি।

৪. সেম্থোক ঃ সাবা লোয়রবা ফিসিং থাইল্যান্ডগা ম্যায়ানমারগা তাইনবদা লৈবা, "ধহটষটঢধ" হায়বা মফমদুদা থাই। ফি অমদা Ks, ১৫০০ দগি ৩০০০ ফাওবা য়োনবা শিংলি। নুমিৎ মরিনিদগি তরেৎনি ফাওবসি মনুংদা ফি অমা ককপা ঙম্মি। সারিবসি খুৎকি ওইবা য়োংখমদনি। দাতডালেগি মনিপুরিসিংনা সাবা ফিসিং অসি ম্যায়ানমারগি মীসিংনা য়াম্না পাম্নৈ। মখোয়না ডিজাইন তৌদুনা সাবা ফিসিং ম্যায়ানমারগি ফিল্মগি অফাওবি নায়িকাসিংনা ফিল্ম কুমবদা সেত-চায় হায়না ছবি খরা ঐখোয়দা পুখোক্লুনা য়েংহনলম্মি। "ম্যায়ানমারগি ফি সাবা-সাবি পুন্নমক্তগি মখোয়না হেন্‌লিবসি নূপিগি ফনেক্তা লৈরোং থোক্‌পা, অচৈক (acheik) হায়বা ফি খুৎসা অসিদনি" হায়না ঐগ্যা সুন্দর গোপালনা তাক্‌পি। অচৈক প্যাটার্নগি মতাংদা ১৯৬৭ দা ফ্রাঙ্ক ক্যাস এন্ড কোম্পানি লিমিটেড লন্ডন না (Frank Cass and Company Limited London) ফোঙবা জি. ই হারভে (G.E. Harvey) না ইবা, "History of Burma" হায়বা লাইরিক অদুগি লামায় ২৩৯ দা অসুন্না ইরি- "These incursions lasting down to 1819, ended by depopulating the country and stamping out Manipuri civilization so completely that we can no longer tell what that civilization was like. the people were famous for their skill in handicraft and the Burmese valved them highly, setting them in the capital, in the riverine villages of Sagaing district, and at Amrapura. They served as boatmen and silversmith; as silk workers they introduced the acheik pattern,..." হৌখ্রবা চহি ১৮০ রোমগি মমাংদগি মবুধৌ-মবেনধৌসিংনা শুরম্বা, ফি সাবগি সিন্‌ফম ঙসি ফাওবা মৈ-না ব্রাই, তাংনা শম, থাদোক্‌পা লৈতনা শুরম্‌লি। থাদা Ks ৩০,০০০ মুক তান্‌বা ঙম্‌বা মীওই ৪/৫ খক নৎতনা খুল অসিগি মী অয়াম্বদি থাদা- Ks. ৩০০০ দগি ৫০০০ দগি হেন্না তান্‌বা ঙম্‌দে।

৫. খুন্দারোন ঃ দাতডালেদা তারিবা মনিপুরিসিং অসি খৃষ্টগি চহিরোন ১৮১৯-১৮২৬ গি মনিপুর লৈবাক্তা খুন্তাক লানসিবা মতমদা বার্মা লৈবাক্তা য়ৌরকখিবনি হায়না খুল অসিগি অহল-লম্মনসিংনা তাকপি।

৬. করম-করম্বা য়ুম্নাকসিংনা খুন্দারিবা ঃ খুঙ্গং অসিদা হৌজিক তারিবা য়ুম্নাকসিংদি... কোন্সম, হুইদ্রোম, কোঞ্জেংবমনাচিংবনি।

৭. লাইনিং লিচৎ (ধর্ম) ঃ "মরূ ওইনা মমাং মতমদগি চৎনরক্লবা ধর্মদি ইবুধৌ থাংজিংগি লাইসোন-তিনসোন; পাখংবা, ইমা লৈমরেন সিদবিগি ইরাৎ-থৌনি তৌবা, মহাপ্রভু, কৃষ্ণ, দুর্গা না চিংবসি পূজা তৌবনি" হায়না খুল অসিগি চহি চৎলবা অহলসিংনা ব্রারী লিবি। পাখংবসি অপিক্‌পা চেক্না চন্‌দুনা সাবা লাইশং অমা লৈ। পাখংবা অমসুং ইমা লৈমরেন, লাই অনি পুন্না লাৎপা, চেক্না সাবা লাইশং অমসু লৈ। পাখংবা অমসুং ইমা লৈমরেন সিদবি, লাই অনিগি শক্তমসিংদু অরাগি চিংলাইগি শক্তমগা চপ মান্ননা লাৎলম্মি। পাখংবা অমসুং ইমা লৈমরেন সিদবি, লাই অনিগি লাইশংদা সেঞ্জেং নত্রগা পিথ্রাইনা সাবা পাখংবগি মলেম পুবা পাফল অমা লৈ! মদু অবাদা লান্‌ফা ওইনা লাক্‌পা মতমদা মনিপুরি ইবুধৌ-ইবেনধৌসিংনা লোয়নরকখিবা লাইগা মরি লৈনবা পোৎশক অমখক্‌নি হায়না দাতডালে মনিপুরী খুলগি অহল-লমন সিংনা চেক্‌সিন্না লুনা তৌই। করি পোৎশক্‌নো হায়বদি মখোয় খঙলম্‌দে। ঐনা হায়রবা মতুংদতা মখোয়না পোৎশক অদু পাখংবগি মলেম পুবা পাফল্‌নি হায়বা খঙলম্মি। অদুগা পাফল হায়বসি করিনো হায়বা মখোয় খঙলমদে। ঐনা য়াম্না লাইথোক-হনলবা মীতৈলোন্‌দা পাফল হায়বসি অসিনি, মসিগি নুংসি-ব্রাখল্লোনদি অসিনি, হায়বনচিংবা সন্দোক্ল তাক্লফাওবা মখোয় ঐঙোন্দা চাগদৌগুম মুন্না য়েং, ইঙক-ঙক, ইঙাত্ত-ঙাত্তনরম্মি। উপায় লৈতবদগি ঐসু মখোয়গা নোকমিন্নরগা তোক্লে। লাইশং অনিমক্কি মখোঙ অকোয়বসিংদু ফওবা ইশিংনা পুমথুম থুমগৎলক্তুনা লাইসিং থম্‌লিবা ফম্পাক্কি লৈমায়দু য়ৌগদৌরে। ঐখোয়না লাই খুরমবদু হি অনিদা তৌদুনা চৎলি। লাইগি থোঙখোঙ য়ৌগদবা সিঁড়ি থাক অমখক্তা ঙাইরবা মফম, মখাগি সিঁড়ি থাক্ত হিথাংজিল্লগা লাই খুরম্মি। লাইশং অনিমক পিক-ই। লাই খুরম্বগি ইশা-ইয়ু লৈথোক-লৈশিন তৌবদা চিন্‌লি। লাইশং অনিমক্কি মনুংদা ব্রাই-রম সিত্‌-নান্‌না



CS CamScanner

তৈথোক-ই, লাইসিংদা হৈ-লৈ কৎ, ধুপ-থা, মোমবাতি থান্‌দ্দুনা নিংথিজনবুদি লাৎলি। অদুবু, অদুম্না লাইশং শিৎনা কয়াম কুইনা কাওবা লৈতনা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়বদি চিংনবা পোক্তবা ঙমদে। রাধা-কৃষ্ণনাচিংবা লাৎপ লাইশং, মান্দোব লৈ অদুবু পৌনা, চু খুলগি লাইশং মান্দোবতগি লুবা-নান্‌বা খরা হন্থে।

৮. খুল মুৎশিল্লকপগি মরম ঃ "চাদবদি য়াদবনিনা অরৈবা পাঙ্গল কল্লিঙৈদা তানশিলহৌবা সেল অদুনা খর-খরা তৌনা চাবদা লোইসিল্লক্‌পা; চহি য়ামসিল্লকপনা থবক-নোম্বসু খরা ঙমলক্তবদগি লৌ ইংখোল ফাওবা মচেৎ-মচেৎ য়োন্দুনা চাবদগি মমৈথংদদি লৈফম লৈতদুনা অথাপ্পা মফমসিংদা হোংখিবা, বৌদ্ধ লাইনিং চৎতুনা বার্মা (অবা– ওনখিবা মনিপুরি মশিং য়ামলে।" হায়না দাতডালে খুলগি অহলসিংনা তাক্‌পি। মপুন্সিগি ওইনা ময়ুম পানলরোয়দবা মীওইসিংগি মশিং য়ামখৎলকপা অসিসু খুল মুৎসিল্লকলিবা অসিগি মরম অমা ওইরি। মীতৈলোন ফজনা ঙাংব ঙমবা অহল খরা লৈরিবা অসি থুপখ্রবা মতুংদদি খুঙ্গং অসি মুৎখিবা যাবগি ফিভমদা লৈরে। ইবুধৌ "থাংজিং' গি খুভম মুৎখরে, পাখংবা, ইমা লৈমরেন সিদবিগি শক্তম অমদি ঈরাৎ-থৌনি মাংখিবা অমদি কাওনখিবা যাবগি ফিভমদা লৈরে। চহি য়াম্ন পুন্সিবদা মশাগি চহি ৮৪/৮৫ সুরবা সুরবিসিং লৈ।

দাতদালে মনিপুরি খুলগি অহল-লমন, নহারোলসিংগা খুরম্‌নদুনা মতুং অমুক লাকচখিগনি, ময়ামসু বাংলাদেশ তা কোইবিরক-উ হায়জরম্লবা মতুংদা হি তোৎখৎত্তুনা দাতদালে খুল তুং-ওইরমলে। হি হোল্লিবা মনিপুরি অহন অমদি লৈশাবি অদু কায়নরবা মতুংদা কার তোংখৎত্তুনা ঐখোয় অহুম মন্দলেগি ঐগ্যা সুন্দর গোপালগি ময়ুম পাংলক্লম্মি। মিনিট ১৪ মুক্কি মতুংদা ঐগ্যাগি য়ুমদা থুংলম্মি। হেক য়ৌবগা মথং-মথং তৌদুনা তাদো ইবানি ইরুজবা লোইসিনলম্মি। ইমানা চাক-পাও তাকলম্‌দুনা তাদো ইবানি ডাইনিং টেবিললোমদা চংসিনলম্মি। ইমানা ঐখোয় অনিবু মচাদ-মচাগুম লুনা তৌবিদুনা অৱাৎ-অপা হাপ্পিদুনা ইশাগি ইমুংদা তৌবগুম হরাও-হরাওনা পুক্লিং মকা লাম্ন চাক-চাবদো কৈদৌঙেদসু কাওবা ঙম্নরোয়। চাক চাব তোক্লগা ইমানা পুসিল্লক্‌পা, অহাও-অথুম হৈ-রা চারম্মি। ঙাইহাক পোৎথারবা মতুংদা ঐগ্যা হরিকুমার লাক্নুনা কাউমুদো পেগোদা অমদি পেগোদাদুগি থোংবা (কদমngba) অমনবা য়েংলুসি হায়রম্মি। তাদো,ঐগ্যা হরিকুমার অমদি ঐহাক, ঐখোয় অহুম ঐগ্যা সুন্দর গোপাল গি কার দা তোঙদুনা সাগাইনদা লৈবা কাউমুদো পেগোদা তান্না অৱা মচা কার ড্রাইভারদুনা য়াংন থৌরম্মি।

"পেগোদা অসিগি অকোয়বদা পুখ্রিমপান অসিদা অৱাগা মীতৈগা অকন্‌বা লান য়ান্নখি হাই। লান্‌দা মীতৈনা অৱাবু ঙমদুনা অৱা লাম্নি য়াম্ন হাৎখি হাই। মখোয়গি ঈ ময়ামদুনা পুখ্রি অসিগি ঈশিং পুন্নমক পুমঙাং ঙাংখি হাই। অদুনা, অবাগী ইতিহাস নিংথিনা খংবা অৱা অহলসিংদি পুখ্রি অসিদা লাক্নুনা পেগোদা অসি কন্নবা হোৎনবদা মথবাই থাখ্রবা অবা লাম্নিসিংগি মফমলদা হৈ-লৈ তৌদুনা তপর্ন কৎলি।" হায়না ঐগ্যা হরিকুমারনা য়াম্ন পুক্লিং চংনা পেগোদা অমদি পুখ্রি অদুগি মরমদা ৱারী লিরিরম্মি। ৱারীদু তাবদা ঙায়হাক্কি ১৮ সুবা চহিচাগি অৱা অমসুং মনিপুরদা ৱাখল লিশাং থারম্মি। অহানবদা, লাইশং অদু কন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পিখ্রবা অৱা লানলোয়সিং অদুগি ৱাখলনি, অনিসুবদনা মতম অদুগি মশিং লিকখ্রবা মনিপুরি ইবুধৌসিং অদুগি থৌনা-লিংজেলগি ৱাখলনি।

ইং কুমজা ১৭৩৮ মতমগী লম্বী থোং ফৎখিদ্রবা চিংনুঙ মন্যুঙগী, তুরেন খোংনুংশিংগী লম্বিসিংদা, নোংজু-নোংশা, তুমিৎ-কাং, লৈনা-তিন্না মরক্তা মাইল চা কয়া ঐখোয়গী মনিপুরি ইবুধৌশিংনা শাগল তোংদুনা কাউমুপ্পো পেগোদা ফাউবা লাকপদা থেংনারমগদবা অৱা-অনাশিং অদো ঙাইহাক ৱাখল তাউরুই, অদুসু লম কোইবা নত্তে, লান্নি, অদুসু মতম অদুগী খ্বা নোংপোক অসিগি লাঙাম-ফাঙমদনা মপাঙ্গল কল্লবা অৱা লৈবাক্কনি, অকন্‌বা লানফম অসিগি অমদি মতম অদুগি মনিপুরি ইবুধৌশিংনা অৱা লৈবাক্তা অৱাশিংনা শোক্লাখিবা অতোপপা লামফমশিংগি ম তাংদা





জি ই হার্ভে না মহাক্কী "হিস্তরি অফ বার্মা" দা অসুম্না ইরি ... In 1735 the Manipuris came to Myedu in Shwebo district and carried off loot cattle, and a thousand people, mainly descendants of De Brito's Indians. In 1737 they killed two-thirds of a royal Ivey sent to oppose them including the commander who was drunk, and swept down to Tabayin in Shwebo district, burning everything they met. In 1738 when the king garrisoned these two places and Mingin in the upper Chindwin district against them, they simply Cantered Past camped at Thalundyu west of Sagaing burnt every house and monastery up to the walls of Ava, and Storwed the stockade built to protect the kaunghmudaw Pagoda slaughtering the garrison like cattle in a pen and killing the Commondant, a minister of the Hluttaw Council; The old door leaves of the pagoda's eastern gateway show a gash made by the Sword of Gharib Newaz when he was for cing an entrance.

ঙাইহাক পেগোদা অমদি বুদ্ধগি মুর্তিশিং য়েং-লবা মতুংদা (Sagaing) মনিপুরি লৈকাই তান্না ঐখোয়না তোংলিবা কার অদু অমুক থৌরম্মি। মফমদুগি সত্যভামা কৌবি মশাগি চহি ১৯ মুক শুরবি; ইচং থৌবি মনিপুরি নুপিমচা অমা অমসুং মহাক্কী মবুঙ থোক্‌পা পাখং অমনা ঐখোয়বু গাইড তৌদুনা ওটথটing চিংখোংগী বৌধিষ্ট মিউজিয়াম অমদা কারদু অমুক থৌরম্মি। মিউজিয়ম অদুগি বারেন্দাদা য়াম্না মন্‌লবা চিংসুগী অচৌবা থোংবা অমা অচৌবা উকক্‌ অমগি মথক্তা ঙারদুনা লৈরম্মী। থোংবা অদুগি থোং-পাক অনিদু পু-না পান্দুনা সো অচৌবা পাল্লি। পুনা পান্‌লিবা অদুয়াইদা, থোংপাক অনিগি মপান-মপান্দা থাঙগুম্বনা, য়ানখিংবগী খুদম অনি-অহুম লুনা হনিজন্দুনা দাক্‌ফম চাউনা-চাউনা তাদুনা লৈরি। মদু ঈং কুমজা ১৭৩৮ দা মীতৈ নিংথৌ পামহৈবা (গরিব নেওয়াজ) না মহাক্কি কাবাক থাংনা য়ানলম্বা দাকফম্নি হায়না অৱাদা লৈরিবা মনিপুরি পুন্নমক্না থাজনৈ। মসিগি ৱারি অসি ঙরাংতা থোকখিবগুম ঐখোয়গা থেংনবা অবাগী মনিপুরি অয়াম্বনা ঐখোয়দা য়াম্না লুনা তৌনা, মপুক্নিং চংনা লিবিরক্‌খি। থোংবা য়েংবা লোইরবা মতুংদা সাগাইঙগি মনিপুরি লৈকায়দা সত্যভামা অমসুং পাখঙদু থিনজিন্‌বিরম্মি। মাখোয় অনিগা কায়নরবা মতুংদা মান্দলেগী ঐগ্যা সুন্দর গোপাল হোয়গী য়ুম তান্না কারদু অমুক থৌরকলম্মি, ঐগ্যা সুন্দর গোপালগী য়ুম হেক য়ৌবগা তাদো ইবনি ঈরু-মাইথজথোক্‌লম্মি। ঙাইহাক শোর হোন্দোক্তুনা পোৎথারিঙৈদা ঐগ্যা সুন্দর গোপালনা "নখোয় অনি ফৈজোম-পুময়াৎ সিং অসি শেৎচিন-লিৎশিনলু। হৌজিক নিংথেম পুরিৎ খুলগি লাইশংদা আরতি য়াউরুগদৌরিবনি।" হায়রকলম্মি ইবানিমক য়াঙনা তৌদুনা ফৈজোম-পুময়াৎ শেৎপা, লিৎপা লোয়দুনা চন্দোন-কসু লাইবক্তা নাকোংদা খরা-খরা থিজ্জিনলম্মি। ফি মতুপ মচা অমমমসু মরাক চপ্না থুপ্লগা ঙক্তা য়াল্লম্মি। ঐগ্যাগী কার অঙৌবদুদা তোংদুনা নিংথেম পুরিৎ খুলগি লৈমাংদা থৌরম্মি খজিক্তং থৌরগ লাইশংদু যৌরম্মী। লাইশং মান্দোপ্তু য়াম্না লু-নাল্লি, মান্দোপ্তু ফৈজোম, পুময়াৎ শেৎ-লিৎপা মনিপুরি নহা-অহল-শিংনা চন্না তিন্‌লম্মি, ইমা-ইবেন, লৈশাবি, মৌনহা, নুপিমচা, নুপামচা কয়াসু মফি মরোল লুনা-নান্না শেৎলগা ফমদুনা আরতি য়াউগদৌবগী ঙাইদুনা লৈনরম্মি। ঐখোয়না কারদগি কুমথরগা লাইবক কত্তুনা মান্দোপ মথক্তা হেক কাখৎপগা নিংথেম পুরিৎ খুলগি মচিন চৎপা অহল লমনসিংনা তাদো ইবানিবু য়াম্না নুংশিনা তারাম-তারাম্না ওকপিরম্মি। ঐগ্যা সুন্দর গোপালনা ঐখোয় অনিবু Upper বার্মাগী খ্বায়দগী মমিং চৎপা খ্বায়দগী- Circulation চাউবা "yatnapon" হায়বা অবা লোনগী নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা চেফোং অমগি চিফ ইডিটর ওইবা নিংথেম পুরিৎ খুলগি মচিল চৎপা মিশক অমসু ওইরিবা মশগি চহি ৬৬ শুরবা লালবাবু কৌবা মনিপুরি অহল্‌ অমদা শক তাকলম্মি।

Journalist অহল অদুনা য়াম্না হরাওনা মমোন মমোন নোক্কুনা তাদো ইবানিবু মন্দোপ্তা তিল্লিবা ময়ামদা অমুক শক্ তাকলম্মি। ঙাইহাক লৈরগা আরতি হৌরম্মি। মান্দোপ্তুদা তিনলিবা অহল-নহা, নুপা-নুপী ঙম্নমক আরতিগী ঈশৈ পুম্নমক ফাই, হৈসু লোয়না হৈ। মখোয় পুম্নমক খোনজেল য়াঙনা। সূর অমত্তদা তান অমত্তদা আরতিগী ইশৈশিং শকমিন্নে আরতিগী হৈ-লৈ, ধুপ অমদি মৈরী থোক্লা চক্লিবা আগরবার্তিগী নুংশিরবা মনমদা মিয়াম হুপ্পা সোর তাস্থা অমত্তদা শকমিন্নবা প্রার্থনাদগী থোক্লকপা ময়াই কল্লবা গুরগী ঈথক-ঈপোম অমদা ঙাইহাক ইশানা ইশাবু কাওজবমখৈ ঐগী পুক্নিং হকচাংসে পুমতাউ তাউদুনা লৈরম্মি। ঙসাইগী ঐখোয়বু ময়ামদা শক-তাকপিখিবা journalist অহল অদুনা ঐগী নাক্তা চংশিল্লক্কুনা ঐবুসু প্রার্থনা অমত্তং শকপিয়ু হায়না কন্না হেক মতকলবদুদগী ঐসু উপায় লৈতদুনা "বৈষ্ণব শিংনা কৌজরী নংবু নোং-গৌবিনা লাইজা কৌজবগুম, ভক্তশিংনা ঙায়জরি নংবু নোংইন্না থাজা ঙায়জবগুম" হায়বা লাইশোন ইশৈ অদো শক্লম্মি। তাদো অমদি ঐগ্যা সুন্দর গোপালনা মন্দিলা তান থাবিরম্মি। ঐনা হৈত-হৈতা শকপা ইশৈদু তিল্লিবা মিয়ামদুনা য়াম্না পুক্নিং চঙনা তাবিরম্মি। ঐদি ইশৈ শক্লিঙৈদু তান-সুর কায়খিগদরা হায়বা বাখলদা হকচাং পুম্নমক হুমাং অনাপ্পি কাংলম্মি। ঐনা ইশৈদু শক্পা হেক লোইবগা মান্দোপ্তুদা আরতি যাউরিবা খুলদুগি মচিন চৎপা অহল খরনা তাদো ইবানিবু পুম্কোই কোয়শিন্দুনা হৌজিকমক beitha তৌদবা য়াদ্রে। ইশৈ তৌবা মী অমা যাওরম্মি" হায়না খুদক্কুদা হারমোনিয়ম তোবলা না চিংবা লৌরুনবা নহাশিংদা যাথং তৌথরম্মি। মতাংদুদা ঐগী কল্লাক নিকপি হায়বদু যৌরম্মি। ঐনা ঐগ্যা সুন্দর গোপালদা "ঐগ্যা ঐদি ইশৈ করিমক্তা হৈজদে beitha তৌনি হায়না ময়াম্না লাংলিবসি। খরা তোক্লবা সিনবিউ" ঐগ্যানা মখোয়দি ইশৈ তৌবা মী নৎচদে চম্না অদুক প্রার্থনা অমা-অনি ফাবখক্তনি হায়না যাম্না কন্না ময়ামদুগা ঙাংনো-সারুদুনা নুমিদাংদুমক্তদা beithadumakti তৌখিদরে। তাঞ্জাদুদা নিংথেম পুরিৎ খুলগি মচিন তোঙবা মীশক অমা ওইরিবা বাসপতিময়ুম জয়াদেবী কৌবা মশাগি চহি ৬৫ সুরবা ঐগ্যা অমনা (ঐগ্যা সুন্দর গোপালনা খুদক্কুদা শক্ তাক্কুনা খঙবনি) নোকমি-নোকমি তৌনা ঐখোয়গী নাক্তা চঙলক্কুনা হয়েঙ নুমিদাংদি বাংলাদেশতগি

> "পেগোদা অসিগি অকোয়বদা পুখ্রিমপান অসিদা অবাগা মীতৈগা অকন্‌বা লান য়ান্নখি হাই। লান্‌দা মীতৈনা অবাবু ঙমদুনা অবা লান্মি য়াম্ন হাৎখি হাই। মখোয়গি ঈ ময়ামদুনা পুখ্রি অসিগি ঈশিং পুম্নমক পুমঙাং ঙাংখি হাই। অদুনা, অবাগী ইতিহাস নিংথিনা খংবা অবা অহলসিংদি পুখ্রি অসিদা লাক্কুনা পেগোদা অসি কন্নবা হোৎনবদা মথবাই থাখ্রবা অবা লান্মিসিংগি মফমলদা হৈ-লৈ তৌদুনা তপর্ন কথলি।"

লেংবিরক্পা ইনাউ অনিবু ঐগীদা চাক্ কৌজগে হায়ববু করম্বা হান্ননা সেমলবা প্রোগ্রাম লৈবিবগে?" মখোয়গী প্রোগ্রাম হায়বাবু খুলসিং কোইবনি। যানি যানি হায়না ঐগ্যানা হায়বিরম্মি।

আরতি লোইদুনা খুলগী অহল-লমনশিং অমদি মচিন চৎপাশিংগা বারী-বাতায় ঙায়হাক সানরম্মী। মখোয় পুম্নমক্না ঐখোয় অনিবু মচা-মনাউ ওইনা য়াম্না লুনা নুংশিনা তৌবিরম্মি। ইমা-ইন্দোন অমনসু ঐখোয় অনিনা বাংলাদেশ তা হনদ্রিঙৈদা মাগি-মাগি যুমদা কোইরক-উ হায়না চিনহায়গী বার্তন থারম্মি। ময়াম পুম্বাবু নোল্লক্লা খুরমজরগা ঐগ্যাগী কারদা তোংখৎতুনা ঐখোয় অহুম ঐখোয়গী লৈফমদা অমুক হনলক্লম্মি।

ইমা মুবি চংলক্কুনা চাক চানবা পাও পিরমদুনা তাদো ইবানি ডাইনিং টেবিলদা চাক চাবা চংলম্মি। ঙসিদি য়েনসাং মথেল তাংখায় অমরোমদি হান্না চাদ্রিবা, অনৌবা মথেল ঙক্তা ওইনা তৌরম্মি। য়েনসাং পুম্নমক লোইনা হাউরম্মি। May Myo dagi ঐগ্যা হরিকুমারগী খঙনা-চান্নবা অমা পুরক্পা পুপ-পুপ লাউবা হাঙগাম পেড়ে চমফুৎ কোনপাক অমসু য়েনশাং মথেলগী মশিংদুনা হেনগৎলম্মি। মহৌসা ঐনা চারকপা হাঙগাম পেড়ে চমফুৎ পুম্নমক্তগি মদুনা হাউবা ইহেন হেল্লাবোই নিংলম্মি।

চাক চাবা লোইরে। খুৎ-শা হামদোক্পা চিন-খা সেংদোকপা লোইরদুনা ইমানা পুসিল্লকপা অথুম অহাউ, হৈ-রা শিংদু অমুক চারম্মি। "ঙসিদি নখোয় য়াম্না কোইরুরে বারমলগনি পোথাহৌরো হায়রমলগা ইমা চৎখিরম্মি। তাদো ইবানিসু টেলিভিশন ঙাইহাক য়েংলমবদগী অসুম মুস্থনরক্কুনা মাগি-মাগি তুমফম কাসিংদা চঙনরম্মি।

মরিনি সুবা নুমিৎকি অয়ুকনি, তাদো ইবানি অয়ুক ঙত্তা হৌগত্তুনা মাই-মিৎ তাবা, চিন-খা শেংবনা চিংবা অয়ুক্কী পুম্নমক লোইদুনা রূপামালানা লুনা নান্না পুরকপা তল অমদি মাক্কী ব্রেকফাস্টতু চারম্মি। ব্রেকফাস্ট চরিঙৈদো ঐগ্যা হরিকুমার চঙলক্কুনা ঙসিদি তাদো ইবানিবু মহাক্না "সেংগা" হায়বা মনিপুরি তাবা খুল অমদা পুবিগনি। ঙসিগি লমবুগি (গাইড) থবক ঙরাংদগি হৌনা মঙোন্দা ঐগ্যা সুন্দর গোপালনা শিন্নখ্রে হায়না তাকপিরম্মী। ঐগ্যা হরিকুমার তাদো অমদি ঐহাক ঐগ্যা সুন্দর গোপালগী কারদুনা তোংখৎলম্মি ঐগ্যাগী



CamScanner

ঙাইহাক লৈরগা আরতি হৌরম্মি। মান্দোপ্তুদা তিনলিবা অহল-নহা, নুপা-নুপী ঙন্নমক আরতিগী ঈশৈ পুন্নমক ফাই, হৈসু লোয়না হৈ। মখোয় পুন্নমক খোনজেল যাঙনা। সূর অমত্তদা তান অমত্তদা আরতিগী ঈশৈশিং শকমিন্নে আরতিগী হৈ-লৈ, ধুপ অমদি মৈরী থোক্লা চক্লিবা আগরবার্তিগী নুংশিরবা মনমদা মিয়াম হুপ্লা সোর তাস্থা অমত্তদা শকমিন্নবা প্রার্থনাদগী থোক্লকপা ময়াই কল্লবা শুরগী ঈথক-ঈপোম অমদা ঙাইহাক ঈশানা ঈশাবু কাওজবমখৈ ঐগী পুক্নিং হকচাংসে পুমতাউ তাউদুনা লৈরম্মি।

কার ড্রাইভার অৱা মচাদুনা কারদু অমরাপুরা তান্না থৌরম্মি মিনিৎ ১২/১৩ লেপ্তনা থৌরবা মতুংদা ঙরাংগী ডাতডালে খুলগি হিথাংফমদুদা কারদু খামলম্মি। কার ড্রাইভার অদো মফমদুদা থমলম্নগা ঐগ্যা হরিকুমার তাদো অমদি ঐহাক, ঐখোয় অহুম মনিপুরি অহল অমগি হিদা তোঙদুনা দাতডালে খুল যৌরম্মি। দাতডালে খুলদগী অমুক সেংগা খুল তান্না অহল দুনা হিদো হোল্লাম্মি। অলাপ্পদগী হি অনি ঐখোয়-রোমদা হোন্দুনা লাকপা উরম্মি। হি অনিদু ঐখোয়গী নাক্তা নকশিলক্কবা মতমদা ঐখোয়না তোংলিবা হি হোল্লিবা মীতৈ অহলদুগা হি অনিদুদা তোংলিবা নুপা-নুপীশিংদুগা য়ান্না লুনা নিংনবদৌনা অৱা লোন্দা হরাওনা চুরুট লান্নদুনা থকমিন্নরম্মি।

হি অনিদুদা তোংলিবা মিশিংদুনা মীতৈ পাঙনগী শক্‌ফম য়ান্না মানলম্মি। মখোয়গী মরক্তগী মশাগী চহি ৬০ খরা হেনলমদৌ মনবা অহল খরা ওইবী নূপী অমনা ঐগা ঐগ্যাগা ৱারী সান্নরিবদু মুন্না তারগা ...

"পৌনারা অনিসিদি হরিকুমাররা?" হায়না নোক্মি-নোক্মি তৌনা ঐগ্যাদা ওনশিন্দুনা হংলকলম্মী।

"বাংলাদেশতগী কোইরকপা মীতৈনিনে" হায়না ঐগ্যানা খুমলম্মী।

"ও! লাপ্ল লাক-ইদা! নুংশিদা ইবুঙো, নখোয় অনি ইমাগী য়ুমদসু কোইরক্‌উকো" হায়না অহল ওইরবী ইমা অদুনা হায়রকলম্মী, তাদো ইবানিমক্লা। "সোইদনা কোইরজরক্কে ইমা হায়জরম্মী।

ঐখোয়না তোংলিবা হিদু অমুক সেংগা তম্না হোল্লকলম্মী লম্বীদা ঐগ্যানা হায়রকলম্মী।

হৌজিক্কী নূপী অহলদু মীতৈ বামন্নি। মীতৈ পাঙলদা ওঙবনী। অতৈশিংদুনা মীতৈ পাঙলনী। মখোয়দি মীতৈলোন ঙাংবা থোক্‌তরে।"

ঙাইহাক হোল্লবা মতুংদা ঐখোয় সেংগাগী খুলজিন যৌরম্মী। সেংগাগী হিথাংফমদা ঐখোয়না তোঙলিবা হিদু থেংজিল্লবা মতুংদা ঐখোয় ৪ (হি হোল্লিবা মীতৈ অহলদু থানা) কংফালদা কাখৎলম্মী। খোঙনা খরা চংশিল্লগা খোঙনাঙ মখোঙগী কৈথেল ওইনা তৌবা বাজার মচা অমদা ঐগ্যা হরিকুমারগা খঙনবা চন্দ্রমনি কৌবা মশাগী চহি ৬২ শুরে হায়বা ময়ুম পান্দ্রিবা মীতৈ বামন অহল অমা থেঙনরম্মী। মাঙন্দা ঐগ্যা হরিকুমারনা ঐখোয়বু শক্ তাকলম্মী মহাক্না য়ান্না হরাউনা তৌদুনা সাবিত্রী কৌবী মশাগী চহি ৪৮ শুরে হায়রি ময়ুম পানদ্রিবি মীতৈ বামন নুপী অমগি য়ুমদা ঐখোয়বু পুরম্মী। তাদো ইবানি সাবিত্রীদা ইচে হায়না কৌজদুনা খুৎ লোন্নদুনা খুরমজরম্মী ইচে সাবিত্রীদা ঐখোয়না খুরমজবদু নুংশিনা নোকমি নোকমি তৌনা ওকপিরম্মী। ইচে সাবিত্রী অৱাগি মনিপুরীশিংনা মমালোন, মীতৈলোন কাউখ্রগদরা হায়না নুঙশা থিজবা। মথবাই বাজবা মনিপুরী নূপী অমনি। ইচে সবিত্রীনা সেংগা খুলগি চহি নৌরিবা অঙাংশিংবু মহাক্তি য়ুমগা সামান্নমা শারিবা শংশাংদুদা পুলপ-পুলপ কৌদুনা চাঙ নাইনা মীতৈলোন তমবিরি হায়না ঐখোয়দা ঐগ্যা চন্দ্রমনিনি ৱারী সাই। ইচে সাবিত্রিনা লমজিংদুনা সেংগা খুলগী য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা অহল লমন, নহারোল কয়াগা ৱারী বাতায় শান্নরম্মি।

(মথংদসু লৈরি)

# মীকপ থোক্লসি

## সনাতোম্বী

লৈবাক অমা পাল্লবদি খুনাই অমা লৈগনি। খুনাই অদুগী মনুংদা লৈরিবা কাংলপু মচা খুদিংমক লৈবাক্তুগী মীওইনি। মীওই অদুনা ফনমক চাউখৎপা পামদুনসু চাউখৎত্রিবা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা অতোপ্পা লৈবাক্তা চেন্দুনসু মহাক করি করম্বা লৈবাক খুনাইদগী হৌরকপনো হায়বদুদি মুৎপা য়াররোইদবা বাফমনি। মহাক মহাক্কী পোক্লফমদুগী করিগুম্বা খরদং ওইরবসু তৌরম্বা ঙম্বা মীওই ওইনবা ঐখোয় পুম্বা হোৎনগদবনি। ঐখোয় ঙসি বাংলাদেশতা লৈরিবা মনিপুরি মীরোল অসি মনিপুর হায়বা পীকখ্রবা লৈবাক্তুদগী হৌরকখিবনি। মীরোল খরগী মমাংদা অৱা লাঞ্জেন্নবা অমদি লান মতমদা ইয়ুম লম থাদোক্তুনা চেন্নরকখিবনি। ঙসি বাংলা লমদমসিদা লৈদুনা বেঙ্গোলি লোন্না লৈতোন শেংনা খৎতুনা ঙাংলবসু ঐখোয়সি মনিপুরদগী হৌরকপা মনিপুরি হায়বা ফুরূপ অদুগী শরূক অমনি হায়বসি ময়েক মাংবা য়াররোইদবা শেংনা লৈরিবা বাফমনি। অদুননি ঐখোয়না ইরমদম ঈরৈবাক্কা কপ্পগা কপ্লিবা ... নুংঙাইরগা নুংঙাইজবা ঙম্লিবা।

মনিপুরি হায়বা ফুরূপসি মহৌশানা উবগা হৈগল্লি, তাবগা খংগল্লি। অদুবু শিজিন্নবা বাৎপনা অমদি লৌশিং তানশিনবা শোনবগা খরদি খোংহৌ থেংহৌরমাল্লে মালেমগী চাউখৎ খোংথাংদগী। অসিগুম্বা খোংহৌ থেংহৌবগী অৱাৎপা অহোবা লৈহৌরিবা অসি ঐখোয়না মেনশিন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে। অমম্বা কা অমদা মৈ থাল্লগা ঙানবগুম মীয়ামগী শেনমিৎলোন (ইকোনোমি) গী অমসুং লৈবাক ঙাকলোনগী বাফমদা পাংশিন্দুনা উদ-খংদনা লৈরিবা পুম্বসি খংহন-উহন্নবা তান্ন-তিক্লবগী মথৌ য়াম্না তাই। খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া শিন্দুনা খংমিন্নবা হোৎনবা চংই। মালেমগী ঈ-পাউ নৈনবা তাবা চংই। পাউ তাবা হায়বসিদি রেডিও অমা মাংঙ্গোলদা খোংলগা ময়াম পুন্না তাবা য়াবা পোৎনি। খবর কাগজ (পাউ-চে) কয়াসু মরাং কায়না লৈরিবনি। মসিসু পাব গী তঙায়ফদবদু লৈ। লোয়ননা তুংগী খুনাইগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা ঐখোয়গী অঙাংশিংবুগু তুংগী ফিরেপ লৌবা ঙম্বামী ওইদুনা লেপ্পা ঙমহৌনবা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না পোরম-পোমিৎ উহনবা চংই। অখং-অহৈশিংনা পীবা লৌশিং খংহন-উহন্নবা লৈপুং ফম্বা য়াওহনবগী মহুৎতা মীয়ামগী মীফমনচিংবা খুনাই চাউখৎ থৌরাং নৈনবদা য়াওহনগদবনি। লৌশিং তানবদা মাংজবা লৈতে, চাউখৎপা লাকই হায়বদু খংহনগদবনি।

**ঐখোয়গী অঙাংশিংবু তুংগী মতিক চাবা লৈবাক মচা অমমম ওইনবা হোৎনবদা অচুম্বা কলচর পুকখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। অফবা মতিক লৈবা খুনাই অমা ওইহনগে হায়রবদি অঙাংশিংবু পীক্লিঙৈদগী হৌনা শেম্বা চংই খুনাইগী চৎনবী তাকপীবা চংই।**

ঐখোয়গী খুনাই চাউখৎহনগে হায়রবদি ঐখোয় ৱাখল খরা চাউথোকপা অমদি খাংবা কনবগা লোয়ননা অচোপ্পনি চাউখৎতবনি খনবা ইশানা শুজবা য়াবা থবক কয়া মীঙোন্দা পিথোক্তুনা শুহল্লগা শেল তিংথোকপগী থবক অসি য়ারিমখৈ থাদোক্লবা হোৎনগদবনি। লাইনিংদা, লিচৎতা লুপশিন্দুনা তৌবা য়াবা শিনফম কয়া মীনা নোক্লখিনি ঐখোয়গী চৎনদে হায়না তৌবা য়াম্না য়াওরিবনি মদুনা মরম ওইরগা শেল থোকপা থবক তৌনা-তৌনা মহৈ-মশিংদা পুক্লিং চংজগদবা নহারোল কয়া গাড়ি থৌবা, সনা শাবা নত্রগা উ-শুবরোমদা মাই লৈশিনখিদুনা লৌশিংগী মঙাল তানগদবা মমল য়াম্নবা নহারোলশিংগী মতম মাংহল্লি। অদুক্কী মতিক লনাই ইমুং অদুনা শেল-থুম পাইদুনা মরাং কায়না পাল্লবসু লৌশিংগী মঙাল লৈতবা মী ওই ঙক্তা লৈবা ইমুং ওইরবদি মদু তুংদা মঙাল নাইগন্দে নিংখাইগল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়গী নহারোলশিংগী লৈজরিবা তাংলবা হৈথোই-শিংথোইগনবা লৌশিংবু মফম চানা শিজিন্নহন্দুনা ঈরৈবাকচাশিংনা খুনাইবু মিৎ পাংনা মঙাল লৈনা হীংবা খুনাই অমা ওইনা মিৎকপ থোকহনবিয়ু অমদি তুংগী লৈবাক খুনাই মঙাল নাইহৌগনি।

ঐখোয়গী অঙাংশিংবু তুংগী মতিক চাবা লৈবাক মচা অমমম ওইনবা হোৎনবদা অচুম্বা কলচর পুকখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। অফবা মতিক লৈবা খুনাই অমা ওইহনগে হায়রবদি অঙাংশিংবু পীক্লিঙৈদগী হৌনা শেম্বা চংই খুনায়গী চৎনবী তাকপীবা চংই। লাইরিক-লাইশুদগী হৌরগা মীনম শোরিবা, বাঙাং-বাতা ফজবা থীবা, অকম্বা বাহৈ শিজিন্নবদা অথিংবা থম্বা, অরানবা থবক তৌবা য়াদে হায়বা খংহনবা অসিনচিংবা পুন্নমকসি তম্বীবা চংই। অঙাংনা খংদবদগী স্কুলদগী লাইরিক নত্রগা অতোপ্পা মশক খংদবা পোৎ (মশাগী নত্তবা) অমা পুরকপা মতমদ ঐখোয়না (অহনশিংনা) মুন্না হংবীদুনা ফুবী-চৈবীদনা অচুম্বা মরম খংদোকপীগদবনি। অঙাংনা পীরূবদা মমান্নবা মশেল- নুংঙাইনরোইদবা ওইরবদি মমা মপানা স্কুলদা চৎলগা ক্লাস মাষ্টার নত্রগা প্রিন্সিপালদা পিশিনবীরমগদবনি। স্কুলগী ওজাশিংগু অঙাংশিংগী অনিগুবা মমা-মপানি অঙাং অমা শেম্বদা মখোয়গা অঙাংগী মমা-মপাগা অনকপা মরি থম্নবা চংই। মরম অসিনা মরক মরক্তা প্রোব্লেম লৈবা লৈতবা স্কুলদা চৎতুনা ৱারী শান্নবিরগা অঙাংশিংগী অৱাৎপা মেনশিন্নবা হোৎনগদবনি।

অসুম্না শেম্বীরবা অঙাংশিংবু তুংগী খুনাইগী মতিক চাবা য়ুম্বী ওইনা শেম্বদা লাইহল্লি অমদি খুনাইগী মীরোলসু তিনজেন-লাইচেন্দবা চাউখৎপা খুনাই অমা ওইহল্লি।

'ঙসিগী অঙাং তুংগী খুনাইগী য়ুম্বীনি"।

# ৱা অমত্তং হায়জগে লাকপনি

## শেরাম নিরঞ্জন

নিংথৌ পরীক্ষিতকী ৱারীনি। অশাউবগী মৈরীনা চাকথেক্লবা মমিৎ য়েংলম্মি মহাক্না যনলাবা অমগা যন অমোম অমগাবু। যন অনিদুবু উবদা শাউনিংবগা লোয়ননা ঙকপগীসু ঙমখৈ লেখিদে মহারাজ পরীক্ষিতকী। যন লাবা অদু কয়াদা ফজরিবা, অদুবু মখোঙনা অমত্তং। অসিবু করম্বা মত্তংনো? যন অমোম অদুনা কয়াদা শক্তম থীখ্রবা। হৌজিকমক হায়থুখিদবগুম।

যন অমোম অদুগী মীৎতগী শিন্থখি পীরাং চদুম অমা। পরীক্ষিতনা হংঙি-'নহাক কনানো?'

খুম্লকখি পীরাং চদুম অদুনা-'মহারাজ, ঐদি কলিনি। মতমগী য়াথং মতুং ইন্না লাক্লবনি পৃথিবীদা।'

নিংথৌনা হঙখি যন লাবাদুবু-'শক্তম শুদ্রবা নহাক্না কনানো?' 'ঐদি ধর্মনি।'-খুম্লকখি যন অদুনা।

'খুদক্তা মখুৎ লোন্নে মহারাজ। হংঙি-'ধর্মরাজ, নহাক্কী ফিবম্না অসুম ওইখিবদি করম্নানো?

ধর্মরাজনা খুম্লকখি-'মহারাজ, কলি যুগতা ধর্মগী ফিভমসে অসুম্না ওইগদবনি। কলিদি অধর্মগী যুগনি। ধর্মগী শরূক অহুম মাংখিদুনা শরূক অমত্তং লৈহৌগনি। অদুনা ঐগী খোঙ অমত্তনি।' ঙকপগী ঙমখৈ লৈখিদ্রবা মহারাজনা যন অমোমদুবু হংঙি-'নহাক্তি কনানো?'

'ঐবু খঙদ্রবরা পরীক্ষিত? ঐদি মালেম পৃথিবীনি। কলিদা ঐদি লাইবক থীবিনি। ঐগীতম্পাক্তা যুগ অসিদা থোকখিনি থোকহৈদ্রবা থৌদোক কয়া। য়েংহৈদ্রবা দৃশ্য কয়া।'

বাফমসি তাবদা শাউনিংবনা থক্ থক্ নিক্লবা পরীক্ষিত কলিরোমদা ওনশিন্দুনা অয়াকপা খোঞ্জেলদা হায়রক্ই-'কলি! নহাক্তি ঐগী খুৎতা লোয়রগদবনি। ঐগী রাজ্যদা কলি নঙনা লাক্কুনা অফবা মীবু অৱাবা পীবা ওইথোক্তবনি। ধর্মগী শরূক অহুম মাঙহনদ্রিঙৈ মমাংদা নংগী নথবায় মাঙগদবনি।

খুৎলাই পাইখৎখি মরৈপাক-প্রজাবু নুংশিবা পরীক্ষিত। কলি অকি-তুজুংনখি। মহারাজ পরীক্ষিতকা মায়োক্লবগী পাঙ্গল লৈতে মহাককী। মখুৎ লোন্নদুনা হায়খি-'মহারাজ, মতমগী য়াথং মতুং ইন্না লাক্তবা য়াদ্রবনি ঐহাক। ঐবু চংজফম খজিক্তং পীবিদুনা চানবিয়ু।' লৌশিং চাওরবা মহারাজ খংখি, মতম্ম থাংনা কক্পা ওইথোক্তে হায়বা। মতমদি কনাগীসু য়াথং ইনদে। ৱাখল চৎথরবা নিংথৌনা কলিগী চংজফম পীখি-জুয়া শান্নফমদা, য়ু থকফমদা, জীববু হিংসা তৌবদা অমসুং ফজরবী নুজা মাইথোংদা।

ৱারীসি মমাঙৈদা পাখিবনি। চপচানা নিংশিংবা হায়বদো থোক্ত্রে। অদুবু, মাইকৈ মরিদা কলিগী খুদম ময়াম্না ঐখোয়বু পুময়োম য়োমশিল্লবদা মীকুপ খুদিংগী ৱারীসি কাওবা য়াদবা মতং অমা ওইরে। য়েংখি য়েংখি মাইকৈদা কলিগী খুদম ঙাক্তনি ঐখোয়না থেংনরিবা। খরনি মমাংদা বিশগাঁওদা নহারোলশিংনা অহলশিংবু জুয়া শান্নবা থীংবদা লৈকায় মরাং হৌবগী ৱারী ঐখোয়না চিবোন চিবোন তাখি। জুয়া শান্নবসি কলিগী ধর্ম মশক অমনি। যুগ অসে কলিনি হায়বা তাকপনি। স্কুলগী ওজনা চিংবা ৱাখল চৎথবা অহল খরনা কলিগী শক্তম্থু ময়েক শেংনা তাক্লবা হোৎনজবদা ইখেং চেনবা নহারোল খরনা পংশাউ শাউ পংঙাং ঙাংবদি অহলগী মবা লৌদবা হায়বদো থোক্লবরা? (মহাভারতকী পঞ্চপান্ডবগুম লম-থুম, য়ুমগী নুপীনা চিংবা দান থাদুনা শান্নবমক্তি নত্তেদনা!)

২. নোংমা নোংমগী ফিভম কায়থরক্লবা ঐখোয়গী সমাজদা করম্বা মাইকৈদনো ঐখোয়না আশাবাদী ওইগদবা? লাইরিক-লাইশু হৈবগী থাক হান্নদগী হেল্লে, অদুবু যুগকী খোঙথাংগা চপ মান্নবা খোঙ থাংবা ঙম্নবরা? লাইরিক হৈবা কাংবু'মনা মশা মনিপুরীনি হায়বা কাওথোক্লিংলে, মমালোননা ৱা ঙাংবা হঙ্গোয়রে। সমাজকী চাওখৎ-থৌরমদা শরুক য়াবদি লাইরদনা থবায় য়াওবা কাংবুবু করেম মীংয়েং য়েংবিবসু কোঙ্গায়মনি। থৌ-লৈতবগী থবক্তি হায়বিবসু য়াত্তরি লাইরিক-লাইশু হৈরগা পুকচেল চাওথোকই হায়নৈ। অসিরা পুকচেল চাওবগী খুদম? মশাগী স্বার্থগীদমক তুম্নবা বুদ্ধিলৌশিংনা থুম্নবা মখোয়বু উবদা কবিনা হায়খি–

'সমদ্র তরেৎকী জ্ঞান খোমজিল্লগা
থবায় পানবা পুন্নমক্কী
নশানা নিংথৌ শেমজবা
হে মীওইবা
হৌজিক্তি কমদৌরে, থৌরী য়াম্থনা শিজরেদো।'

(অনৌবা থুংলবা জীব/ইবোপিশক)

তশেংনমক্তি, জ্ঞানপাপী মশানা মশাবু নিংথৌনিখল্লিবা মখোয়দো মহাকালগী বিচারদা মমল লৈত্রবা উকংগুম খোঙগাও নগদবনি।

৩. অমরোমদা সমাজকী অখণ্ড-অহৈ ময়াম, অমরোমদনা মশানা মশাবু মশক খঙবিদবা মীচম ময়াম–মরক্তা সমাজকী জাতিগী খনবদা মাথা শারবা মীওই খরদি নুঙ অনিগী মরক্তা হা ওইবা নওনা উপায় লৈখিদে। নিংশিংলকই মমাঙৈ পাখিবা শৈরেং অমা,

করম্বা মওংদা সমাজ শেমগৎকনি
মদুদি মিখৎ তৌনা নত্তে, মিৎ খানা য়েংগদবা নত্তে

প্রেমিক অমগুম ঙাওবা তাই, ভাবোক অমগুম রস চেনবা তাই পন্ডিতগুম যুক্তি পীবগী দরকার লৈতে, অঙাত্তবগুম পঙাং ঙাংফম থোক্তে স্বার্থত্যাগ তৌগদবনি, অরেম্বা চানিংলোয়দবনি .........

অদুবু স্বার্থত্যাগ তৌগদবসে কনানো? সমাজকী থবক তৌনিংদবা মখোয়গী ৱা-দি থমবু থল্লাসি, সমাজকী থবক তৌরিবা, সমাজসেবীনি হায়রিবা, আঃ অদুগী সভাপতি, অদাগী সেক্রেটারী জেনারেলনি হায়না মাইক্রোফোন মমাংদা ৱাজাও ঙাংলিবা মখোয়দুবু কয়াম্না স্বার্থত্যাগ তৌবা ঙম্নবগে? পৈশা পায়বা মাইকৈদা ওনশিন্দুনা ৱাঙাংবা, মশা নান্না থাউ তৈবা হৈবা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা করম্বা অহোংবনো সমাজসিদা পুরক্কদবা, খনবদা চমম্নবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। তশেংনা সমাজবু নুংশিবা লুচিংবা লৈত্রবরা ঐখোয়গী সমাজদা? লৈ। অদুবু মাইক্রোফোন চাথোক্লিংবা কাংবুগী ফজরবা খোলেক-খোম্থোক্কী ৱাহৈ ময়াম তাবদা মখোয়দু মরাই লুকথদুনা লৈবা নওনা উপায় লেখিদে। লৈপাকসিনা নোংমা নোংমগী

টেরোরিস্ট ওইবা হেনগৎলকপা, সমাজকী ঈ-রি খুদিং শোক্তুনা টেরোরিজমনা শিন-থুংলকপা অসি ঐখোয়গী সমাজদসু য়াম্না ফজনা মায়থোং হোংবগী মত্তঙ ওইরে হায়বসি করিমত্তা চিংনমিঙায় লৈতনা হায়বদা অকায়বা লৈত্রে। লাইরিক লাইশুদা থবায় য়াওদ্রবা হৌগৎলকপা নহারোল চোইরা খরনা ড্রগ সিজিন্নবা, পোলিটেক্যাল পাটিগী ক্যাডার ওইনা লুপা মুনবা, মী-হাৎপনা চিংবা হৈনবা অসি মমা-মপা ওইবশিংনা খঙদবা নত্তে-খঙলিবনি। মখোয়দি খোয়দোক্লা নাচুংবিদে। মচা অফাউবা অমা ওইরে হায়বগী মওংনি।

সিমন সিংহনা মী হাৎলুবগী পাউ অদুনা পাউ-চে শিংদা শন্দোরকখিবা নুমিৎদো ঐগী অফিসকী কলিগশিংগী মাংদা ঐনা মায়থোং লাংশিনখিবদো, তৌফম-চাফম খঙখিদবদো করিগীনো? মীহাৎপদো মীতৈ অমা ওইরুবগী নত্রা? ঐনামক হাৎলুবা নত্তগুম মখোয়না ঙকচাননা হংখি- "নখোয় মীতৈসিবু য়াম্না পুক্নিং তপ্পী, অকায় থৌশিন তৌদবা জাতিনি হায়না ঐখোয়না খঙনৈ। নখোয়গী মনুংদা অসিগুম্বা মীহাৎপা লৈরবরা?"

ঙহাক তুমিন্না তারগা ঐনা খুমখি- !য়েংঙু' মীতৈ ঐখোয়না তুম হৌবদগী তুম্লামদায়ফাউ তোৎনা তিন্নরিবা বাঙালি নখোয়গী সমাজকী তুখোং খুদিংদা টেরোরিজমগী মহিক্লা থল্লবদা মীতৈ ঐখোয়দসু মহিক খরা চংলকপা মশানা তাবনি। অদুক হাক্লা ঙক্লিঙাং করি লৈফম থোক্পগে? সিমন সিংহনা মীহাৎপা ওইবদি নখোয়না ওইহনবনি-বাঙালি নখোয়না। পোৎ মুনবা চৎলুবদো মহাক মদোমতরা, মহাক্কী লোয়নবাশিংদো বাঙালি নত্রা? মখোয়দি শিংবনিনা চেনখ্রে, অপংবা মীতৈনা মশা হিংনবা হোৎনবদা মীহাৎপা ওইরে।'

ঐগী শাউরপ তৌবা ওফেন্সিভ পাউখুম তাবদা মখোয়দো মমায় মমিৎ থম্ফম খঙখিদে। অদুবু ঐদি খঙখি, খুদক্কী ওইনা পাউখুম অমা শেম-শাদুনা হায়জিল্লবসু থৌদোকসি ঐখোয়গী খুন্নায়গীদমক য়াম্না নিংহন্ননিঙায়নি, য়াম্না ইকাইনিঙায়নি। সিমন সিংহবু ফাঁসিগী যাথং পীরে, মসিসু বাংলাদেশকী মনিপুরী ঐখোয়গী ইতিহাসকী মচল অমা ওইরবনি।

# ওয়ারী মতেক

**থোঙাম সনজয়**

## লৈনা লাইশক নাইদ্রিবা ওয়াখল অমা

অসুন্না খরানিগা শি-তানফাউবা মীওয়া ঙাংবা লৈকাই অসিদা ঙসি হয়েং ঙাইদুনা কোইপাই পাইরগা মহুমনাইদ্রিবা চেক্লাগুম হিংবাসিনা অচুম্বা ওইবতারে খল্লুবদা পারী ঙসিদি ইপাই হৌরে। অদো নোঙমা তৌফম খংদদুনা মথনতা অমম্বা অহিংমদা মঙকতা থৌরি থাগে খনখিদবসু নত্তে অদুবু ঙমখিদে হয়েংগী অনৌবা করৌগী নুংশিরবা মাইথোং নিংশিংলুবদা। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অদুসু পারীদি মহাক্কী মহৌসাগুম্না লৈকাইগী মিয়োই অমত্তা হৌনদ্রিঙে হৌগৎলগা মালঙদা য়েংলগা অয়ূক্কী য়েন্দা অঙানবদা লিক্লাগা চৎমিন্নরম্মী। অদুবু রেডিওদা পাউ তানিঙকপদগী মরুপ অঙাংহন হইদা চংশিল্লগা নুমিৎকী কুম্ভকর্ণগী খুতুম তুম্লীবা অঙাংহনবু হৌদোক্নে হাইরগা মহাক্কী ক'াদ চংশিল্লী। অদুবু রেডিওগী পাউ থিবা হোৎনবদা য়েৎশিল্লিবা স্টেশন ময়াম অদুদগী মহাক্কী পামজবা স্টেশন অদুদি খক পুথোকপা ঙমখিদে। অমসুং লিক্লাগী ওয়াখলদি সুঙনিঙ-নিংসিংখিদে করৌনা মপুঙ ফারকপগা লোইননা মহাকসু অদুম পাইখি অনৌবা পুন্সি অমদা।

হন্দক্কী করৌগী চয়েৎনরবা ফিবম অসিগা রেডিওগী ফিবম অসিগা চপমানরবা হাইবা ওয়াহং অসিনা অমুক্কসু মহাকপু খোইরিফবাগী অওয়াবদো নিংশিংহনল্লী! অদুগা ফিলিস্তিন ওইনা হিংবগী শরুয়াউদবা হকচাঙউসু! ইখংহেক খঙহৌদঙৈ অক্তাদা অঙাংহন্না হঙকখি-

মরুপ করি তৌরগে হকচাঙগা ইনুঙনুঙাইত্রবা যাৎলো? অদুবু ওয়াখলঅমদা লৈরম্বা পারীদি হৌজিকসু লাকপা ঙমদ্রি অঙাংহনগী আতিয়াদা।

## করৌগী খোংচৎ

করৌদি মহৌসাগুম্না নোংমা কাইদনা সুংপোপথাদা চৎপা লেপ্তে ঙসিসু মহাক্কী পুন্সিগী যাৎতুনা থম্বা লম্বী কয়াৎতা। অসোমদনা আতিয়ানা মথাদা পকতুনা লৈহৌরবা করৌগী মনম পুদুনা ইংথম অমদগী ইংথম অমা ঙাইদুনা লৈরী অমুক্কা হলকপগী থাজবনা, কোইরাউননা মতুম তারিবা মালেম গুম্না।

নুমিৎ অদো অহানবা ইংথমগী থেংলবা অহিং অমা ওইনা তৌই। আতিয়াগীনা ঙাঙ্গানরবা শক্তমগা অরোইবা উনবগী, নত্রগা অহৌবা ঙাইবগী হাইগদ্রা খঙদে অচুম্বদি নিঙমহৌদবগী তাংকক্ অমনি। পুন্সিগী চাউরবা নম্বো পুবগী পোৎলুম্না খাংবা ঙমদ্রবা করৌ নুমিৎ অদো কনাদসু ওয়ামচেৎ অমত্তা ঙাঙমদনা তুমিন্না পোৎয়োম মচা অমাফাউবা য়াউদঙৈ হুদা থোঙান হাঙদুনা চৎখিবনি। ঙসিফাউবা হলকত্রি। অদুবু নিম্ব নিম্বু লৈকাইগী মীওয়া ঙাংবা শিংনা অসুম হাইনৈ করৌদি টাউনদা শেনথুম পাইবী ইনকয়া খুল্লবী- গা লৈমিন্নখ্রে।

অদুতারগা আতিয়াদি শাজিবুগী নোঙনা অওয়াঙ নোংচুক কোনাদা ফুম্বংননা হৌরকপগী মতৌগুম মথনতা ওমচাক্লুহৌই। খল্লকই অনৌবা পুন্সি অমুক হৌরসিরা? অদুবু নিঙম হৌদ্রিবী আতিয়াদি ঙাইবত্তনা পুন্সিগী খোংচৎনী হাইবসিবু, তসেঙনা থমোয়পানবা হাকচাঙনিনা কয়ানি খঙবা ঙমগনি? ঙসিগী ওয়াহাংনি! লোইননা হাংদুনা লৈহৌরবা কোনথোং দুসু!



CamScanner

# মনিপুরিগী ফি হোংদারকপগি মরম করিনো

পি কে খুমন

> ঙসি 'মনিপুরী' হাইবা বাহৈ শিজন্নরগা লল্লোন ইতিক্কী মাংদা খুদোং চাবা লৌনরী মনিপুরী-নোন মনিপুরী পুন্নমকনা। শেংনা হাইরবদা বিষ্ণুপ্রিয়া/বিষ্ণুপুরিয়া শিংনা তাল্লিবা শিসূ মসিগী গুডউইল অসিনি অমনা মশাগী তোঙাম্বা লম (হোমলেন্ড) অমা তাল্লকপনি। য়াম্না তরাই তরাইনা লৌফম থোকতে। ঙসিগী বিশ্ব অসিদা ব্রেন্ড হাইবাদি গুডউইল লৈবা ব্রেন্ডকী মমল কয়া য়ামগে হাইবাদো মিপুং খুদিংমকনা খংনরিবানি। মসিবু য়াম্না তাথি তাওইনা তৌরবাদি মদুগী চৈনাখোল নোংমাদি শোইদনা ফংগনি।

ঙসি বাংলাদেশতা নত্তনা পৃথিবীদা 'মনিপুরি' হাইবা টার্ম (বাহৈ) অসি ব্রেন্ড অমা ওইনা শিজনারবনি। মনিপুরী প্রোডাক্ট হাইনা খংনরবা পোৎচৈ নোংমা নোংমাগি মিয়াম্ন শক খঙনারকপা হেনগৎলকই। এক্জামপল ওইনা পিবা যাই মনিপুরী শাড়ি, মনিপুরী উড়না, মনিপুরী চাদর, মনিপুরী বেড কভার, মনিপুরী থ্রি পিছ। অসিতা নত্তনা মনিপুরী সানা শুবা শিংনা মমাঙৈদো শারম্বা সানাগী লিক কোন- কম্থা, নাচোম, খুজি-না চিংবা মখল মখলগী অর্নামেন্ট ঙসিসু মমিং লৈরি। অদুতা নত্তনা পয়ানা শাবা ফিংগারুক, য়েন্দাইনা চিংবা মখল মথেলগী পোৎ হাপনবা পোৎমক হাইবদি প্যাকেজিং অমদি প্যাকিংগী পোথ্থোক কয়া ঙসিসু ময়াম্না রেসপেক্টকা লোইননা শিজন্নরি। পোথোকতা নত্তনা কালচার অমদি গেম গী মতাংদসু 'মনিপুরীশিংগী থৌদাং য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। অসিগী মতাংদা নৌহৌননা অমুক নিংশিংনিঙাই থোকত্রবানি। ঙসি 'মনিপুরী' হাইবা বাহৈ শিজন্নরগা লল্লোন ইতিক্কী মাংদা খুদোং চাবা লৌনরী মনিপুরী-নোন মনিপুরী পুন্নমকনা। শেংনা হাইরবদা বিষ্ণুপ্রিয়া/বিষ্ণুপুরিয়া শিংনা তাল্লিবা শিসূ মসিগী গুডউইল অসিনি অমনা মশাগী তোঙাম্বা লম (হোমলেন্ড) অমা তাল্লকপনি। য়াম্না তরাই তরাইনা লৌফম থোকতে। ঙসিগী বিশ্ব অসিদা ব্রেন্ড হাইবাদি গুডউইল লৈবা ব্রেন্ডকী মমল কয়া য়ামগে হাইবাদো মিপুং খুদিংমকনা খংনারবানি। মসিবু য়াম্না তাথি তাওইনা তৌরবাদি মদুগী চৈনা খোল নোংমাদি শোইদনা ফংগনি। মরম অমনা গুডউইল লৈরবা পোৎসক হাইবাদি ব্রেন্ড অদুগি কোয়ালিটিসু হন্দদনবা হোৎনাফম থোকপনি। অদুবু ঙসি বাংলাদেশতা মনিপুরী প্রোডাক্টকী কোয়ালিটি নোংমা নোংমাগী হন্দরকপগুম তৌরি। হিরম অসিগী মতাংদা মখাদা খজিক্কং নৈনজগে।

বাংলাদেশতা মনিপুরীশিংনা মশাগী শেৎনা চানবা পথোক পোথকপতা নত্তনা লল্লোনাবাগীতমক হাইবাদি কমার্শিয়েল ওইনা ফি শাব হৌবা অসি পংকুই কুইদ্রিবা থৌদোকনি। মমাংঙৈদা অইবা কয়ানা হিরম অসিদা নৈনবিখ্রে। অদুনা করম্বা মতমদগী মনিপুরী হেন্ডলুমগী প্রোডাক্ট কমার্শিয়েল





CamScanner

হাইবাদি কৈথেলদা য়োনবা হৌরক্কে হাইবদো নৌনা মফমশিদা ইজররোইগে। শম্নপনা অসুম হাইরবদা বাংলাদেশ তাব মমাংদাগি খরা খরা কৈথেলদা মনিপুরী প্রোডাক্ট পুখৎপা হৌরবনি। অদুবু ফিশা-লোনশাগী মতাংদা য়াম্না থবাই য়াওনরকখিবাসি বাংলাদেশ তারবা মতুংদানি। মশাগী কোম্পানী নত্রগা প্রপাইটার ওইনা শন্দোরকপদি পংকুই কুইদ্রি। আহানবদা সিলেট বিভাগকি মনুংদতা মনিপুরী প্রোডক্টকী মার্কেট লৈরম্মী মদুগী মখাদা ঢাকা চিটাগাং হাইবদি বাংলাদেশ শিন থুংনা মনিপুরী প্রডাক্টকী মার্কেট শন্দোকখি। শেংনা হাইরবদি ইনডিজিনাস প্রোডাক্ট অমা ওইনা মনিপুরী প্রোডাক্ট অসিনা মার্কেট দখল তৌবগী মতাংদা কনা কনাগী অবদান লৈবাগে হাইবদুসু ঙসিদি নৈনবাগি মতাং যৌরবানি। রিসার্চ হাইবাদি গবেষণামক তৌবা ঙমদ্রবসু খরা থিজন হুমজনদুনা মতাং অসি মিয়ামদা খংহনবা মথৌ তারবনি। অদুবু মথংদা মতাংদুদা নৈনজনিংবগি আশা থমজরি। মরমদি ঙসি ঐনা নৈনজনিংবদি মনিপুরী প্রডাক্টকী কোয়ালিটি হাইবাদি মগুন হন্থরকপসি করিগীনো?

হৌজিক হৌজিক বাংলাদেশতা মনিপুরী ফিশাবী শিংনা খরা পোথোক পুথোকতুনা য়োল্লীবসি মনিপুরী শাড়ি অমসুং মনিপুরী চাদর হাইনা খংনরবা অনিসিনি। অদুগা মার্কেটতা ডিমান্ড লৈরবসু মনিপুরী উরনা, টেবিলক্লোথ, বেডকভার, রুমাল না চিংবা অতৈ অতৈ পোথোকতি কয়া পুথোকপা ঙমদে। অমারোমদনা মনিপুরী থ্রি পিছকি মার্কেট চাওনা লৈরবসু বাংলাদেশকী মনিপুরী ফিশাবী শিংগী থোইদোকপা কান্নবা ফংগনি হাইবদি থাজবা ঙমদে। মরমদি ময়াম্না খংনারিদুনি। অদুনা মনিপুরীশিংগী ফি গী মার্কেট অসি য়াম্না পিকথ্রবা আইটেম খরদা লৈরিবনি। আইটেম অমা-অনিখক পুথোকলগা মদুনা টেক্সটাইলগী জগৎতা হিঙনবা হোৎনবা হাইবসিসু য়াম্না অব্বাবা থবক অমানি। অদুগী মথক্তা বাংলাদেশকী পাকচাওরবা তাঁতকী পোথোক মরকতুদা তোঙান্না হিংবা ঙম্নবা হোৎনবা তাবনি। মনিপুরী ফি-লোনশাগী খুমাংচাওরবা পুবারী লৈজরবসু অয়াম্বা মনিপুরীশিংনা থৌওইনা তৌবিদে। ডিজাইন, কালার কম্পিনেশনদা ট্রেনিং অমত্তা য়াওদনা পুথোরকলিবা ফি শিংদুবু মিয়াম্না য়াম্না পান্নদুনা শেৎনরিবা লৈনারিবশিনা তাকপদি মনিপুরী ফি শা লোনশাগি তোঙাম্বা মার্কেট অমদি লৈ। লৈরিবা মার্কেটসিবু মনিপুরী শিংনা য়োকপা ঙমদনা মাংহম্বা তারবাদি তুঙদা মনিপুরী শিংগী শেন থুমগী ফিভমদা অব্বাবা অমা নংগনি। মরমদি ঙসি অয়াম্বা মনিপুরী লৈশাবি মচাদাগি হৌরনা মনিপুরী নুপি পুন্নমক ফি শাদুনা শেনথুম তানদুনা ইমুং মনুংগী অমদি সমাজকী চাওখৎ খোংথাংদা শরুক য়ারিবানি। অদুনা মার্কেটসিনা লৈত্রবা নত্রগা মাংথবা তারবদি মনিপুরী শিংগী শেনথুমগী ফিভমদসু শোকলক্কনি।

মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী মার্কেটকী ফিভম নৈনরবদি নোংমা নোংমগি হন্থরকলে হাইরিবসি হাইমানবা থোকলোই। অহানবদা ময়াম্না খল্লম্মি নোংমা নত্রগা নোংমাদি মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী মার্কেটসি য়াম্না খুমাং চাওনা লৈরক্কনী অদুগা হৌজিকনা অমুক খন্নরকলে নোংমা নত্রগা নোংমাদি মাংখিবা তারে। অদুবু অসিদা হাইনিংলিবদি হৌজিকসু মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী মার্কেট চাওথোকহম্বা য়াই। অদুগা অহাম্বা ওইনা মথৌ তারিবদি মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী কোয়ালিটি হেনগৎহনবা তাবনি। মরমদি কোয়ালিটি লৈরগদি মার্কেট চাওথোকহম্ব য়াগনি। মার্কেট কন্ট্রোল তৌবাগী অহাম্বা থৌদাংদি পোথোক অদুগী কোয়ালিটি হেনগৎহনবা। অদুনা মার্কেট পিকথরকপা, শাড়ি উরনা চাদরগী মমল হোংথরকপগি মরু ওইবা মরম অমাদি কোয়ালিটি হন্থরকপসিনি। হিরম অসিগা মরি লৈনারিবা পুন্নমক্কি মিয়েং চিংশন্নিংলিবদি মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী কোয়ালিটি ফগৎনবা হোৎনবা। অমরোমদনা কোয়ালিটি ফত্তবগী মরমসূ মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী মার্কেট কন্ট্রোল তৌরিবা শিংগী হৈশিংদবদগীনি।

মনিপুরী প্রডাক্টকী কোয়ালিটি হন্দবগী অহানবা মরমদি মনিপুরী প্রডাক্টকী মার্কেট সিস্টেম সিনি। কারবারি শিংনা অমদি ফি লৈরিবা কাংগুনা ফি গী কোয়ালিটি হন্দরকপাসি ফিসাবীশিংদা তাইনৈ। অসিদা ঐনা হাইনিংলিবদি পোথোক অদুগী কোয়ালিটি হন্দরকপাসি প্রডাক্টশন সিস্টেম অদুদগিনি। ফিশাবী শিংদা তাইনাদনা মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী প্রডাকশন সিস্টেম অসিবু হান্না কোয়ালিটিটিভ ওইহনবা তাবনি। অদুগী মমাং ফাওবা মনিপুরী ফি লল্লোনবা শিংনা মসিগী দায়িত্ব লৌবা তাই। ফিসাবীশিংদা দায়ি তৌদনা মার্কেট কন্ট্রোল তৌরিবা শিংসিনা কোয়ালিটিসু কন্ট্রোল তৌরবাদি ঙসি নোংমা নোংমগি কোয়ালিটি হন্দরকপগি ফিভমসি ওইরোই। মার্কেটতা কম্পিটিশন লৈতবা হৌনদে অদুবু কম্পিটিশন অদু মফম মতম চানা শিজনদ্রবাদি তুঙদা অফবদা লৌতান্নদনা ফত্তবদা লৌতান্নরক্কনি। হৌজিক হৌজিক মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী মার্কেট অসি কনানা থুগাইরিবনো হাইবাদুসু মুন্না খংনফম থোকলবনি। মনিপুরীশিংনা পুথোকলকপা পোথোক ঙসি অতৈ জাতিশিংনা পুথোকপা হৌরে। অদুনা খরনি মতুংদা মনিপুরি প্রডাক্ট মনিপুরী খক্তনা পুথোক্কনি হাইবাগি থাজবা লৈরকত্রে। অদুনা কম্পিটিশনদা মনিপুরী খক্ত নত্তনা মীতোপকসু কম্পিটিশন তৌবা তাবনি। বিজনেজ খংদনা বিজনেসতা খোংথারবা কয়ামসু য়াওনরি। মসিসু চাওরবা সমস্যা অমনি। মরমদি বিজনেস খংদাবনিনা তুঙদা করি ওইরক্কনি, করি ফত্তবা লাক্কনি হাইবদুসু খন্থদে। থবক অমা তৌরম্বদাগি ময়াম্না তৌনবসি উরগা লাইবক য়েংলুগে মতাদা লাকপগুম ঙসি মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী বিজনেসতা অসিগুম্ব চাংয়েংবা লাকপা বিজনেসম্যান কয়াসু যাওরি। মখোইনা খরা খরা মার্কেট থুগাইবা হৌরকলি। অদুগা বিজনেস খংবা কাংগুনা খংনা খংনা মার্কেট কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনদ্রিবাশিসু মখোইগী চাওরবা মরালনি। অদুতা নত্তনা মখোয়না সমিতি নত্রগা অপুনবা সংস্থা অমা শেমদুনা হিরম অসি য়েংসনবা য়াবনি। মনিপুরী হ্যান্ডলুম ব্যবসায়ি সমিতিবু হাইরাবসু অমবু থোল্লবসূ মনিপুরী হ্যান্ডলুমগি হিংনবা, চাওখৎনবা হোৎনবা সংস্থা অমা লৈরমলবদি ঙসি মনিপুরী মার্কেটতা থোকলিবা খাং খুং চাইবা থৌদোক অসি থোকলোই দবানি আদুনা মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী কোয়ালিটি হন্থরকপাগি মরু ওইরিবা মরমদি মার্কেট কন্ট্রোল লৈতবাশিনি।


কোয়ালিটি হন্থরকপাগি মরম অমনা রো ম্যাটেরিয়াল খনবদা হৈশিংদবা। মনিপুরী ফিশাবী শিংনা ঙসি শারী শাবদা কটন

শিজন্নদনা অতোপ্পা মখলগী লং শিজন্নরি। কটন শিজন্নরবাদি মনিপুরী শাড়ীগী কোয়ালিটি অসি য়ৌনা হন্থরমলোই। বাংলাদেশকী মনিপুরী ফিশাবী শিংনা শাড়ি নত্তনা অতৈ ফি শাবাদা কটন শিজন্নে। ফনেক, ফিদুপ, খুদৈ, বেড কভারনা চিংবা অতৈ পুন্নমকতা কটন শিজন্নরগা শাড়ি শাবদা কটন শিজন্নদবগী মরম করি লৈরিবগে মদুসু খন্থফম থোকই। শাড়ি শাবদা অকুপ্পা মখলগী লং না শাব তাই। অসিদা ঐনা হংনিংলিবাদি মনিপুরী ফিশাবীশিংনা অকুপ্পা লং শিজন্নবা হৈতবরা নত্রগা হৈনদ্রিবরা খংদে ঙশি ফাওবা অকুপ্প লং শিজন্নদুনা ফি শাদ্রিবা করিগীনো? মনিপুরী শাড়িগী কোয়ালিটি ফগৎহনগে খনলবাদি রো ম্যাটেরিয়ালগী মতাংদা খরা খন্থফম থোকলে। অদুগা রো ম্যাটেরিয়ালগী মার্কেট কনান কন্ট্রোল তৌরি অদুসু খংবা তাই। মরম অমনা লং ফত্তনা মচু শংবগী খুদোংচাবা লৈতনা মনিপুরী শাড়ি অমদি উরনাগী মার্কেট চাওথোকহন্‌বা য়ারোই।

মনিপুরী ফিশাবী শিংনা য়ুম য়ুমদা তাঁত লিংদুনা, য়োংখম লিংদুনা ফি শান্নরি। তাঁত অমদি য়োংখম লিংলিবা মফমদুসু মাংগোন নত্রগা শংগোন হাইবাদি য়ুমগী কোনা কাচিন অমদা তৌনারি। অদুনা তোঙানবা শং অমা শাদুনা তাঁত নত্রগা য়োংখম খিনবাগী খুদোং চাব লৈতবনা মনিপুরী ফি চেকশিন্না শাবা, লু-না নান্না শাবগী খুদোং চাবসু খরা বাৎলি। তৌবদি মশি ঙমদবদি নত্তে। থৌশাদবদগিনি। প্রডাক্ট অমা কোয়ালিটি ফনা পুথোক্কে হাইরাবদি মায়কৈ খুদিংমক মুন্না নৈনবা মথৌ তাই। মরু ওইনা প্রডাকশন ওইরিবা মফমদুগি পরিবেশ লৈবা তাই।

ডিজাইন অমসুং কালার কম্বিনেশনগী মতাংদদি করি অমুক হাইরুগনি। ঈশ্বরনা পিথোরকপা জ্ঞান প্রতিভা পুন্নমক শিজন্নরগা মনিপুরী ফিশাবী শিংনা মানা মানা অঙম্বা ডিজাইন, কালার কম্বিনেশন পুথোকতুনা মার্কেটতা হিংনবা কন্না হোৎনরি। অদুবু কয়ানি অসুম্না মার্কেটতা হিংবা ঙম্নগনি। মরমদি টেক্সটাইল অমাদি হ্যান্ডলুমদা ডিজাইন অমসুং কালার কম্বিনেশন মরু ওইরবা থবক অমনি। মনিপুরী প্রডাক্টতা ডিজাইনগী থবক অসি ফি শাবী শিংনা ঙসিশু হোৎনানা লৈরি। ঙসি য়ৌবা ফাওবা প্রফেশনাল ডিজাইনার অমানা মনিপুরী প্রডাক্ট অসিবু ডেভলপ তৌনবা হোৎনদ্রি। ডিজাইনার ওইদোরিবসি মনিপুরীমক ওইগনি হাইবগী- বা লৈতে। অদুবু মনিপুরী প্রডাক্টকী মতাংদাদি খর খংবা তাই। মসিগী মতাংদা মনিপুরী প্রডাক্টতা মপুং ফানা অহোংবা অমা পুরকপাগি চাওরবা খুদোংচাবা অমদি লৈরি। মরমদি মখল অমগি ফিনুংতিগী শেৎনিংগে, লৈনিংদে অদুনা ডিজাইন হোংদোকত্রবদি কালার কম্বিনেশন মওং তাদ্রবদি প্রডাক্ট অদুগি মার্কেট নোংমা নোংমাগী হন্থরক্কনি।

মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী কোয়ালিটি হন্দরকপাগি চাওরবা মরম অমানা কোয়ালিটি কন্ট্রোল সিস্টেম লৈরকতবা। শারিবা ফিদুগী কোয়ালিটি য়েংশিন্নবা কনাসু লৈত্রবনিনা মানা মানা অঙম্বা শানরে অদুনা মার্কেটতা চৎলগা মমলগী মতাংদা খরা তাথরগা অসুম পিথোকলমলে। ফিশাবী শিংনা মদুগী চৈনাখোল ফংবা ঙমদে। মরমদি মখোইনা হকথেংননা থেংনদ্রবানিনা খনলি ফত্তনা শারবসু ঐগি ফিদি অসুম য়োনবা য়ারিদনা। ফিফত্তনা হন্দোকপাগি সিস্টেম লৈতবনা ফিশাবী শিংদুসু চেকশিন্না শানিংদ্রে। কোয়ালিটি কন্ট্রোলগী সিস্টেম অমা পুরকতনা কোয়ালিটি ফগৎহনবা ওইথোকত্রবানি। হৌজিক অমুক অবাবা ওইনারিবশিনা কনানা থবক অসি তৌগানি। মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী বিজনেস তৌরিবা কাংবুনা তৌরিশিদি শাবা লোইরাগা ফি খোম্বা চৎপা নত্রগা ময়ুমদা থিনলকলগা ফি ময়ামদু শু চামলগা ইস্ত্রি/ আইরন তক্লগা দোকান দোকানদা পুদুনা সাপ্লাই তৌরুবা। অসিগী মরকসিদা শারিবা ফিদুবু করম তৌরি, ফজনা শারিবা, কাইদা করি শোইরি য়েংবাগি মতম লৈতে। ফিশাবী শিংগী মনুংদা খরা মশানা কোয়ালিটি পোৎ পুথোকনিংবা শিঙনা খরা চ্যেকশিন্ন শাজৈ। অদুগা মখোইসু মবুকনিং পেনদে। মরমদি মখোইনা অসুক বানা শারগা ফি গী মমল পিরকপা মতমদা হেন্না পিদে। মরমদি মাঙোন্দা হেন্না পিরগা মদুগী প্রডাক্টতু অমুক মার্কেটতা য়োনবা ঙমদে। মরম অসিনা কারবার তৌরিবা কাংবুনসু মমল য়াম্না পিবা ঙমদবানিনা নোংমা নোংমগী ফনা শানিংবগী বাখল অদু তন্থরকই। শেংনা হায়রবদা মনিপুরী হ্যান্ডলুমগী কোয়ালিটি ফত্তবসি সার্কেল অমদা লৈসনদুনা লৈরে। মমল ফংদে হাইনা ফিশাবী শিংনা কোয়ালিটি হেনগৎনবা পুক্লিং চঙনা থবক শুদ্রে, কোয়ালিটি লৈতে হাইনা ফি গী মমলসু নোংমা নোংমাগী তাথরকলি, ফি গী মমল নোংমা নোংমগী হন্থরকলকলি হাইনা ফিশাবী শিংনা নোংমা নোংমগী লো কোয়ালিটিদা হাইবাদি য়াংনা ফি য়াম্না শানবা হোৎনারকলি, প্রডাকশননা মার্কেট ডিমান্ট তগী হেনলবানিনা মমলসু নোংমা নোংমগী তাথরকলি .... কনানা থুগাইগনি অসিগী যোহিলাংসে।



# ইশাগী হক ইশানা খংবা তঙায়ফদে

## অহৈবম সুরজিং

মীওইবনা চপ চানা মীওই অমগুম হিংল্লবগীদমক মশাগী লৈফম থোকপা হক খর লৈজে, মদুশিংদুবু মীওইবগী হক হায়না খংনৈ। মীওইবগী তুংদা ওইরক্কদবশিংবু মপুং ফানা চাউখৎহন্নবগীদমক মথৌ তাবা হকশিং অদুবু মীওইবগী হকনি। মীওইবনা পোকলকপদগী হৌনা মশাগী ওইবা হক খরা চেঞ্জরকই অমসুং মদুনা মাগী থোইদোক-হেন্দোকপা অহেনবা অমদি মদু য়াওদবদা মহাক্না চপচানা মপুং ফাবা মী অমা ওইবা ঙমদবা হকশিং অদুবুসু মীওইবগী হকনি। মীওইবা হারবসি পোকলকপদগী হৌনা রাখল খনবা ঙম্বা, করিগুম্বা পুথোকপা অমদি শাবা ঙম্বা অমসুং বা ঙাংবা ঙম্বগী ওইবা হায়রিবা শক্তিশিং অসি যাওনা পোকচরকই। শক্তিশিং অসি কনাগুম্বা সরকার অমনা নত্রগা লৈবাক অমনা নত্রগা কনাগুম্বা মনিং মখা তমদুনা লৈবা শক্তি লৈরবা লৈবাক অমনা খুদোল তমলকখিবা নত্তে, মসি মহাক্না পোকলকখিবা মতমদগী য়াওরক্লবনি মীওইবগী পুন্সি হায়বসিসু করিগুম্বা রাজনীতি নত্রগা করিগুম্বা সমাজকী ইনস্টিটিউশন অমনা খুদোল তমলকখিবা নত্তে। মরম অদুনা সরকার নত্রগা করিগুম্বা শক্তি অমনা মহৌশাদগী য়াওযরক্লবা শক্তিশিং হায়বদি হকশিং অসিবু ইকায় খুম্নবীদ্রবদি মমল থম্বীদ্রবদি মাইকৈ অমরোমদা মীওইবা অমদা চেনগদবা গুণ পুন্নমক মাংখিবতা নত্তনা মীওইবগী লমচৎ-শাজৎকী মতাংদসু শোক্লকই। মসিগুম্বা হকশিং অসিবু সরকার নত্রগা মীওই পুন্নমক্লা ঙাক্লা থম্বীগদবনি অমসুং ইকায়খুম্নবিগদবনি। অদুগা হায়রিবা হকশিং অসি মীওই অমনা চপ চানা ফংবা মতমদা মহাক মপুং ফানা চাউখৎপা ঙম্মী অমসুং মচু তানা হীংবা ঙম্মী অদুগা মীওইবনা খমথেংনা চাউখৎননবগীদমক মাগী ফংফম থোকপা হকশিং অসি রান্না মরূ ওই। মীওইবগী ফংফম থোকপা হক নত্তনা মী অমা মপুং ফাবা ঙমদে, মী অমনা মীওই অমা ওইনা ফজনা হিংবা ঙমদে।

মীওইবগী হক হারবসি করিগুম্বা গ্রূপ নত্রগা করিগুম্বা ক্লাস অমগীতা নত্তে, মসি পুন্নমক্কীনি। আমেরিকাদা পোকপা মীওইশিংগা বাংলাদেশতা পোকপা মীওইশিংগা হক খেৎনবগী মরম লৈতে। মখোয়না নুংঙায়বনি নত্রগা মখোয়না লাইরবনি খন্দুনা মীওইবগী হক্কী মতাংদদি খেন্নবগী মওং থম্বা য়াদে। মখোয়না খাংপোকশংদা পোকই নত্রগা মখোয়না ফুরা দলান মথক্তা পোকপনি হায়দুনা মখোরগী ফংফম থোকপা হকতগী নাথৈহনবা য়াদে। মীওইবা হায়বসি মীওইবনি। মরম অদুনা মীওই পুন্নমক্কী হক চপ মান্নে, চপ মান্ননা ফংগদবনি। কনাগুম্বা অমনা লিক্লা নত্রগা কনাগুম্বা অমনা য়ামনা ফংগদবা নত্তে। কনাগুম্বা অমগী ইজ্জৎ য়েংদুনা নত্রগা কনাগুম্বা

ঐখোয়গী ইমাংদা অমদি মশানা হকথেংননা উহৌবা অমসুং মদুগী চৈনা ফংখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অমা খুদম ওইনা পনজগে-বাংলাদেশতা ইং শোক ১৯৫২ দা লোনগী ওইবা লানগী মৈরীদগী (১৯৫২ সালের ভাষা আন্দোলন) হৌরক্কুনা ইং শোক ১৯৭১ গী মার্চ ২৬ চা নিংতম্বগী লান হৌরকখিবা অমসুং থা ৯ চুপ্পা লান শোক্করবা তুংদা চহী অদুগী ডিসেম্বর ১৬ দা মখোয়গী নিংতম্বা ফংখিবা মসি নিংশিংবা য়াই।

অমগী মরি-মতাগী ওইবা ব্‌াফমদা য়ুফম ওইদুনা মখোয়দতা হক ফংহনগদবনি য়েংশিনবীগদবনি হায়বা য়াদে। হক হায়বসি খোংনেৎরিবা নত্রগা ফংদবা মতমদা মুন্দুনা পুরকপদা লান্দে হায়বসি মালেমগী চৎনা পথাপত্তা ময়েক ঙানা ইদুনা লৈরবনি। অদুগা হক খোংগাওনবগী মায়োক্তা লান কয়া তৌদুনা মশাগী ফংফম থোকপা হক ফংখিবা মীওইগী মশিং ঐখোয়গী মীৎয়েংদা লিশিংদগী তাদনা লৈরে। ঐখোয়গী ইমাংদা অমদি মশানা হকথেংননা উহৌবা অমসুং মদুগী চৈনা ফংখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অমা খুদম ওইনা পনজগে-বাংলাদেশতা ইং শোক ১৯৫২ দা লোনগী ওইবা লানগী মৈরীদগী (১৯৫২ সালের ভাষা আন্দোলন) হৌরক্কুনা ইং শোক ১৯৭১ গী মার্চ ২৬ চা নিংতম্বগী লান হৌরকখিবা অমসুং থা ৯ চুপ্পা লান শোক্করবা তুংদা চহী অদুগী ডিসেম্বর ১৬ দা মখোয়গী নিংতম্বা ফংখিবা মসি নিংশিংবা য়াই। হায়রিবা লান অসি মখোয়গী লোন অমদি নিংতম্বগী হক খোংগাউনরকপদগী থোকখিবা লাননি। অদুগা মখোয়গী লান অদুদা ভারতনা ডাইরেক্লি নত্রগা ইনডাইরেক্লি শৌগৎখিদবা নত্তে। ঐখোয়গী ওইনা বিষ্ণুপ্রিয়া বু ভারতকী ত্রিপুরা অমদি অসাম সরকারনা 'বিষ্ণুপ্রিয়া মনিপুরী' হায়না শকখংখিবা হায়বসি সরকার অনিসিগী অচৌবা মরালতা নত্তনা মীওইবগী হক মৎপনি। মরমদি মালেম্না 'মনিপুরী' হায়রগা মৈতৈবু খংনৈ অমদি মৈতৈবু হায়রগ মনিপুরীবু খংনৈ হায়বসি নৌনা পল্লুবগি তঙায়ফদবা লৈতে। অদুগা কাংলুপ অনিসি মান্নদে তোঙান তোঙানবা কাংলুপনি হায়বসিসু মালেমপুম্বনা খংনরিবনি। মসি নত্তনা ভারতকী কোন্সটিটিশন্নসু মৈতৈশিংনা ঙাংবা লোনবু 'মনিপুরী' লোন কৌগনি হায়না মসিগী নিপালসুবা সেদ্যুলদা ইং শোক ১৯৯২ গী আগষ্ট তাং ২০ দগী হৌনা 'মনিপুরী' ভারতকী কোন্সটিটিউশন্না শকখঙলবা লোন অমনি। মরম অদুনা মখোয়না ইকায়খুম্নখ্রবা লোন অমবু মখোয়গী স্টেট সরকার অমনা তরাই-তরাই তৌদুনা বিষ্ণুপ্রিয়া'দা মনিপুরী তপশিনবসি সরকার অনিসিগী অধিকারগী ব্‌াংমদনি অমদি মনিপুরীশিংগী হক খোংগাওবিবত্তা নত্তনা ভারত কন্সটিটিউশনগী মায়োক্তা থবক তৌরবনি। সরকার অনিনা মখোয়গী কন্সটিটিউশনদা অমোৎপা মচু শংজিনজরবনি হায়বসি ভারত সরকারনা খংশিন্নদবগুম তৌই। অদুগা করিগুম্বদা

মখোয়গী এন্টি কন্সটিটিউশন্যাল ওইবা এক্টিভিটি অসিবু অথুবা মতমদা হন্দোকহন্দ্রবদি হায়বদি মনিপুরী তপশিনবা লৌথোকহন্দ্রবদি ভারতসু লৌতুনবদা য়াওরে অমদি মখোয়গী কন্সটিটিশনবু মখোয়না থওইদ্রবনিনা মনিপুরীশিংনা মখোয়গী নিপালসুবা সেদ্যুলদা চনশিনখিবা অদুবু লৌথোক হন্দুনা মখোয়গী মথক্তা ঈহৌ হৌগদবনি। মশিং য়ামযদ্রবা মীওই কাংলুপপু নমথনবা অমদি মীওইবগী হক মাংহনবীবগীদমক হিউম্যান রাইট্স কমিশনদা ব্রাবৎকদবনি। মীওই কাংলুপ অমগী লোন অমবু, সংস্কৃতি অমবু, স্টেট অনিনা থওই-রাওইদবা য়াব্রা? ঈহৌ অসি হৌরকপদা মীয়াম্না চুম্মী হায়না লৌদবগী ব্রাফমকা লৈতে। অদুগা ঈহৌ অসিদা মরূ ওইনা মনিপুরদা লৈবা মনিপুরী খক্তা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা মনিপুরীশিংনা অমত্তা ওইনা মাইকৈ পুন্নমক্তগী হৌরক্লবা হোৎনগদবনি। মসিদা য়াম্না মরূ ওইবা ব্রাফম অমনা মৈতৈ অমসুং মনিপুরীগী ওইবা চয়েৎনবা কয়ানা মনিপুরী মিং নত্রগা মীতৈ মিং দা তৌসি হায়বা ব্রাহৌ কয়া পুথোক্তুনা হিয়াং তান্নরিঙৈদা বিষ্ণুপ্রিয়ানা তুম্বাগী শেন থৌদুনা পুখিদনবা চেকশিনহৌসি। মরমদি হৌজিক হিয়াং তানবা মতম নত্তে মাইকৈ পুন্নমক্কী ওইবা ফগদবা থৌরাং অমা ময়াম্না তানমদুনা অমত্তা ওইনা থবক পাইখৎপগী মতমনি। ঐনা হায়রিবা সিখক্তনা অচুম্বনি হায়বদুগী মথক্তা মুন্না চনিংতানা অমক্তং খন্থরগা অতৈসু অরান লৈরিব্রা হায়না ইশানা ইশাবু চুমথোকচবগী ব্রাংলবা ফিদম অদু তন্নসি। মৈতৈবু মনিপুরী কৌনিংবগী কল্লকপেল্লি মতাগুম মনিপুরী ওইনিংদবা মৈতৈনা ঐখোয়দি মৈতৈনি মনিপুরী নত্তে, হায়না মখোয় মখোয়দা শোকচনি খন্দুনা খোংগায় শৎলগা খুরাইনিক্তুনা ফম্না লৈরিঙৈদা মচি শাংবা বিষ্ণুপ্রিয়ানা ব্রাইরক্লবদি মনিপুরী খক্তা নাগদবা নত্তে, মৈতৈসুনি। পুন্নমক্কী অমত্তা ওইবা শক্তম ঙাক্লবা খোংজংনি। মনিপুরী মীংদা তৌসিবু হায়রে নত্রগা মৈতৈ মীংদা তৌসি খল্লে লোয়না অমত্তা ওইনা পুন্না তান্নরগা থোকপা ঙাক্তনি। য়ুম য়ুমদা ফম্নগা মাংগোনজাও ওইবগী কান্নবা লৈতে। লম্বী লমজাওদা কোর্টা লাউগদবা মীয়াম মাংদা তৌগদবা থবকনি। মীনা অসিয়ৌনা লাঙ্গোয় চনশিল্লফাওবা ঐখোয় পাংদুম তুমদুনা লৈবা মতম নত্তে। মশাগী কাংলুপ, লোন, ঈনাৎ অমদি লৈবাকপু নীংবা শিদোকপা ঙম্বা মচা কয়া থোরকপা তাই। অসিগুম্বা ঈনাৎ ঙাকপগীদমক য়াইবীনা পোম্বা পীবদি 'প্রেটিওট' মমা নিংবা মচানি হায়নবদায়। মশাগী কাংলুপ নাৎকীদমক শিদোকপদি করিগী পেট্রিওদ কৌরোই? ঙসি য়ৌবা ফাওবগী মনুংদা শিদোকপা ঙমদ্রবসিনদি মশাগী কাংলুপ্পু নুংশিজবা মচা অমত্তা লৈত্রা? ব্রাহংশিগী পাউখুম থিজরি। অদুগা ঐখোয়না তানগদৌরিবা হকশিংসিদা শৌগৎপীবা হায়বসিসু মালেমগী চৎনপাথাপ ওইবতা নত্তনা মীওইবগী মহৌশাগী চৎনবী অমসুনি। হক হায়বসি মীওইবনা ম্যালেমগী মফম পুন্নমক্তা মতম খুদিংমক্তা ফংদবা তঙায়ফদে। মীওইবগী হক হায়বসি কনাগুম্বা মীওই অমনা অমদা খুদোল তমগদবা নত্তে অমসুং মসি কনাগুম্বা মীওই অমগী মিনুংশিগী মখাদা লৈতে, মীওইবা হায়বসি মীওইবনি মরম অদুনা অসিগুম্বা হক অসি মহাক্কী তঙায়ফদনা লৈফম থোকই। মীওইবগী পুন্সিদা অমুক শিবা হায়বসি শোয়দ্রবা থৌদোকগুম্না হক হায়বসিসু মাগী পুন্সিদা তঙায়ফদনা ফংগদবনি।

হৌজিক্তি মালেমদা মীওইবগী ফংফম থোকপা হক হায়বা হিরমসিদা য়াম্না পান্না কন্না মিৎয়েং চিংশিন্নরকলে। মদুগী মরমদি অমনা অমবু ইকায়খুম্নদবা। অচৌবা ঙানা ঙা মচাশিংবু করিসু থওইবীদনা চাথোকপীবগুম্বা থৌওং কয়া তৌরকপা। অচুম্ববু অরানবা শকহকন্দুনা ফংফম থোকপা হকতগী নাথৈহনবা অসিননি। অসিগুম্বা রাফম অসি ঐখোয়গী মনিপুরী পুন্সিগী হীরম খুদিংদা ঐখোয়না উবা ফংই। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি। কনাগুম্বা অমনা হায়রিবা হক অসিবু খোংনেৎন্নদুনা মখাদা নমশিন্দুনা থম্বীবত্তা নত্তনা হক্কী ওইবা ব্রাফমশিং অসি মশানা ফোংদোরক্তনা লোৎশিন্না থম্বীবা অসিনি। সুপ্নতগী মখোয়না মখোয়গী ওইজবগীদমক মীওইবগী হক্কী ব্রাফমবু লান্না অমদি লম্বী শেরাননা ফোংদোক্লবা হোৎনৈ। মরূ ওইনা মীওইবগী হক অমসুং নিংতম্বা মুনবীবা কাংবুশিংনা মীগি হক খোংনেৎনরিবা অদুবু মরম চাবা পোৎশক অমা নত্তে হায়না খংবা ঙমখ্রবসু মসিদা মখোয়গী মরাল ফোংদোরকপগী থৌনা লৈতবগুম তৌই। মরম অদুনা হৌজিক মালেমগী রাজনীতিদা মীওইবগী হক হায়বা হিরম অসিদা ফোং ফোং শারিবা অমসুং মসি য়াম্না মরূ ওইবা ব্রাফম অমসুনি।

ঐখোয়গী মনিপুরীশিংগী ওইনা য়াম্না লাইবক থিবা ব্রাফমদি, হৌজিক ঐখোয়না পোকলিবা মফম, মতম অমদি ঐখোয়না হিংলিবা অমসুং লাইরিক-লাইসু তমদুনা পুন্সি সিন্থা পাংথোকলিবা মতমশিং অসি মীওইবগী অধিকারগী মনুংদা লৈনা মরেক মহাও থোক্লা হিংবদা চংগদবা অধিকার অদু ফংদ্রে হায়বসি অরানবনি হায়বা ঙমজরোই। মরমদি হীরম খুদিংমক্তা খরা খন্থদুনা য়েংলবদি মীনা খোংনেৎনবগুম তৌই। সমাজ, রাজনীতি, অমদি শেল-থুন্না চিংবা হীরম খুদিংদা মীগি মথক্তা লৈবা ওইনা থোক্তে। অসুন্না কয়াম কুইনা হীংগদৌরিবনো? ইপাম লমদম য়েংলে অদুম্মঙাই, খাম্বী মৈথক্তা ঙৌদে হায়বদা য়াই। অতৈ লম কয়াদা তারিবা মৈতৈ খুন্নাইগী পুন্সিসু অসিমঙাই। অসুন্না মীগি মখাদা হীংবসিনা মনিপুরী পুন্সিগী চাউখৎলক্কদবা কয়াবু থেংথদুনা অফক-অফাই, লাইরা-চুদৎনদুনা লৈরে। মতিং ফুদোক্লা হিংবা ঙমদবত্তা নত্তনা অতৈ কাংবুগা মান্নবা থাক্তা হিংবা ঙমদ্রে। পুন্সিদা মীগি মাখাদা লৈবামুক তোনবা লাইবক থীবা অতৈ পোৎ লৈতে, ঐনা শেমশাদুনা হায়বা নৎচদে ময়াম্না হায়নবা ব্রাফমনি। অসুন্না নিংতম্বা ফংদবা হক ফংদবা পুন্সিগী লাইবক অসি নিংতম্বা মফমগী চাকনি-ফিনিবশিংনা নেৎলম্বা নাপিদুনা হেন্না লাইবক ফৈ হায়বদা হায়মনব্রনে? হান্না অচা-অথক্তা ফংলগা হিংবা পুন্সি অদু হৌজিক্তি নত্রবনিা মসিদা মিৎয়েং চিংশিন্নবা তঙায়ফদ্রে। অচা-অথক ফজনা তৌবা জেলদফাও মীওইবনা লৈনিংদে। অদুনা মীওইবগী হক লৈতবা মফমদা পোকলকইবা ঐখোয়গী পুন্সি অসি অসুম কেমখিবা তারবরা হায়বসিনা ঐখোয়গী মরূ ওইবা ব্রাফম অমা নত্ত্রব? ব্রাহং অসিমা ময়ামদা নোলুক্লা থমজরি।

য়াম্না মরূ ওইবা ব্রাফম অমনা জাতি অমনা ইতিহাসকী তাংকক কয়াদা করিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়ানা মালেমগী মফম কয়াদা শুরোন-চারোন তাদুনা চহীচা কয়া খুন্দাদুনা লৈরি। মসি ঐখোয় মনিপুরী খুন্নাইদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবনি। অদুগা ঐখোয়গী অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক অসি অতৈ কাংলুপ



CS CamScanner

কয়াদসু থোক্তবা নত্তে। অসুম্না চহী চা কয়া লৈবাক অমদা খুন্দাদুনা লৈখিবা মতমদা মখোয়গী লৈবাক অদুগী মীওইশিংগী মীওইবগী ফংফম থোকপা অধিকার অদু লৈবাক অদুগী সরকারগী চৎনা-পথাপ্তা খেৎনবা থমদবা হায়না যাওয়রগসু থবক ওইনদি খর খেৎনবগুম তৌই। মসিদা মিনুংশি চাওবা শাদুনা মহাবলিদা লৈবা জোং খরগী মমাংদা ঙম্মোক পোৎয়োম থোক্তোকপতৌনা খর চায়থোকরকপা অদুদা জোংশিংদুনা খর ফংবদা হরাওজবা অদুগুম্না ঐখোয়সু তৌই। অদুবু ঐনা মতাংসিতা থমজনিংবা ৱাফমদি মখোয়দগী ফংবা শেলফমশিংদুনা জাতিগী ওইবা থাক্তা কয়াম্না চাউখৎপা পুরকখ্রবগে অমদি পুরকপা ঙমগদৌরিবনো? মদুনা ঐখোয়গী ইমুং মনুংদা কাংখোং চাইনবগী থৌদোক থোকখিদব্রা? কয়াম্না অমাং-অতোং লৈখ্রবগে মসিনি। হন্দক্কী শেল পীথরক্লিবা মীওইশিং অসিদি য়াম্না ফৈ হায়দুনা সালাম চাওনা কোৎপদু করম্বা জাতিগী মীওইশিংনো য়াম্না শিংদেদা হায়না লৌরম্লোয়দবগী ৱাফমকদি লৈরম্লোয়দবা মান্দে। জাতিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী ওইনা লৌবা তারগদি অপিকপা মচা কাংলুক্কীদমক পীথরকলিবা শেলথং অদুদা ঐখোয়না ঐখোয়গী লংলবা খুৎ অসি হুমজিন্দুনা মোৎশিনবগী কানবা লৈতে হাযনা খঙ্জে। মরমদি অপিকপা জাতিগীদমক লাকলিবা শেনফম অদুদা ঐখোয়সু য়াওরুবা হায়বসি ইশানা জাতি অসিদা চাউনা লাল্লবা ইতিহাস অমা শেমজিনজবা তারোইদ্রা? মসিনা অহোয়নদুম ইশানা ইশাবু শকতাকচবদা চাউনা অকায়বা অমা লাকপদা নত্তনা তুংগী মীরোলশিংদা অকায়বা লাকপা য়ারি। অদুগা জাতিগী ওইবা থাক্তা চাউখৎ-থৌরাং পুরক্লবগীদমক খল্লগদি মখোয়গী চাকথুং অদুদা ঐখোয়গীসু হায়বা চালুক্কী লা অদু থারুবা তৌদনা তোঙান্না মফম অসিদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক্কা অপুনবা অমা পুরক্তুনা অচৌবা পাঙ্গল অমা শেমগৎচরগা অতৈ পাম্বৈ অমা থিবা য়াদব্র হায়বসিনি। মসিদা করি অয়েৎপা লৈরি থিবিনসিঅদুগা চাউখৎপা পুরকপা হায়বসিসু অচৌবা অপুনবা পাঙ্গল অমা শাগৎপা নত্তনা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোয়। মসি নত্তনা ঐখোয়না মীরমদা হিংনবগী লম্বি য়াৎচবা হায়বসি খর ৱানা থোক্কনি। অপুনবা শক্তম অমা নত্তনা অতৈ মচোয় মচোয় সংস্থান কয়া লিংখৎতুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মান্নদবগী থৌওং উৎলুরবদি ঐখোয়বু অতৈ জাতিগী মীওইশিংনা লুম্না লৌরোই হায়বসি ঐখোয় ইশানা খংজদবগুম তৌরে। চারগা হিংগনি হায়বতা খন্দুনা লৈবা মালহল্লে। ঐখায়গী পারি-পুরিগী ইজ্জৎ য়েংবা তাই। চাক চগ্রিং অমা চেং চেংকোক অমা মাংহনবগী থৌওং অদু তৌহননিংদে। অসুম্না ঐখোয়না অপিকপা কাংলুপ মনাওতোন ওইরুবা হায়বসি অতোপ্পনা ঐখোয়বু কৈদৌনুংদা লুম্না লৌরোই। মালেমগী মীয়াম মাংদা ঐখোয়না ঐখোয়ী জাতিবু থাক ৱাংনা চাউখৎহনগে থাংগৎকে খল্লগদি ঐখোয় অমত্তা ওইনা মান্নবা লিচিং অমদা ঐগী ওইবা ৱাখল থাদোক্তুনা কৎথোকপা ঙম্বা তাই। অদুগা অদুগুম্বা মান্নবা লিচিং পুরকপা অদুদনি ঐখোয়না ঐখোয়গী রাইট কদায়ফাওবনো খংবা ঙমগদৌরিবসি।

খন্থদুনা য়েংবিয়ু হৌজিক লৈরিবা ঐখোয়গী ফিভমগা মালেমদা লৈরিবা অতৈ মীওইশিংগী ফিভমগা কয়া য়াম্না খেৎনবা লৈগে হায়বসি। ঐখোয়গী হকতগী মখোয়গী লৈবাক অদুদা লৈবা শা-ঙা গী হক্কা হেল্লি হায়বদা হায়মনবা থোকলোয়? মরম অদুনা মালেমদা মীতৈ মচা অমাগী রাইটসতগীদি শা উচেক, হুই-হৌদোং কয়াগী রাইটসনা য়াম্না হেনখ্রে মসি ঐনা হায়জবা নত্তে হৌজিক্কী শিৎলিবা হাওয়া নুংশিৎ অসিনা অদুম তাকচরকপা ৱাফমনি, খন্থদুনা য়েংবিউ উবা ফংগনি। মালেমদা শা-ঙা গী ফাওবা চৎনপথাপ লৈরবনি। মতম অসি য়াম্না চাউখৎলবনি মরম অদুনা হৌজিক্কী মতমগী ৱাখল তারবা মীওইশিংনা পুথোকরকইবা মীওইবগী ফংফম থোকপা হিউম্যান রাইটস কী মহাও অসি মীতৈ খুন্নাইগী ওইনদি ফংদৌবা মান্দ্রে। অদুগা হৌজিক্কী মতমদা হক হায়বা ৱাফম অসি, শানাগী শেংপাক্তা নখোয়গী ফংফম থোকপা শরুকশিংদো অসিনি হায়না কান্নগুম্বা অমনা পীবিরকখিবা হায়বসিসু কৈদৌঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অমা ওইখিদবনিনা মসি ঐখোয়গী হোৎনজবা অমদি মালেমদা লৈরীবা মীওইবগী হকবু ইকায় খুম্নবীরিবা ময়ামগী অচৌবা মীৎয়েং অনিগী মখা পোল্লি। ৱাফম অমনা মসিদা মারেমগী হকপু ইকায়খুম্নবিরিবা মীওইশিংনা মিৎয়েং চিংশিনবিবা অমদি খরা য়েংশিনবিবা হায়বসি মীওইবগী তৌফম থোকপা চৎনবীতা নত্তনা হকসুনি। অমুক্কা হন্না হায়জনিংবদি মীওইবগী পুন্সিদা শিবা হায়বসি নোংমদি শোয়দ্রবা পোৎশকগুম্না ফংফম থোকপা হক হায়বসিসু শোয়দনা ফংহনগদবনি। হক হায়বসি ফংদবা মতমদা মুন্দুনা পুরক্কদবনি। মীওইবগী পুন্সিদা হক হায়বসি মহৌশাদগী শাগোন্নদুনা লাকলিবা থাদোকপা য়াররোইদ্রবা পোৎশকনি।

হক্কী খোংগুল লিদুনা অশেংবা ফুরূপকি শক্তম মশক-মচু থোক্লা হিংবা ঙমজনবা হোৎনবা হায়বাসি হক ফংজদ্রবা ময়ামগা মানবা ঙমদ্রবা ফুরূপ খুদিংমক্কী থাদোকপা য়াররোইদ্রবা মথৌ অমনি। ঙসি ওইরিবা ঐখোয়গী ফিভম অসিগা মালেমগী অতৈ ফুরূপ কয়াগী ফিভমগী শক্তমসিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা করিগুম্বা পাউখুম অমা পিদবা শুকয়ামক য়াররোইদবা ৱাহং খরখক্তি চোংথোরকই। অদুগা চোংথোরকইবা ৱাহং অসিগী মনুংদা পাউখুম থিবদা হক হায়বসিনা মরূ অমা ওইররি। হক্কী খোংগুল লিবদা ঙসিগী চেবাং অসিদা খরখজিক্তং ওইরবসু খন্ন-নৈনরকপা হায়বসে ইচম চম্বা ৱাফম নত্তে। মসি ঙসিগী ঐখোয়গী ফিভম অসিনা পুথোচরকপা ৱাফম্নি। অদুগা ইশাগী ওইবা চপ চাবা অধিকার পুথোরকপা অদুদনি জাতি অসিনা ইশাগী ফিরেপ মশক মুন্না খঙজরক্তুনা ফুরূপ অসিগী অশেংবা শক্তম অদু উৎচবা ঙমজদুনা তখায়বীরবা মীওইশিং অসিনা মতিং ফুদোক্তুনা মপুং ফানা মালেমগী ফম্বাক থক্তা মাই পাক্লা হিংবা ঙমগদৌরিবসি।

হক অমসুঙ তৌফম থোকপা থবক অনি অসি অপুনবা পোৎশকনি। ঐগী ফংফম থোকপা হকপু ফংগে খল্লবদি ঐগী তৌফম থোকপা থবকশিংদা মিৎয়েং চিংশিনবা হায়বসি তঙাইফদে। মালেমদা মীওই পুম্নমক চপ মান্নে। আমেরিকাদা খুন্দাবা মীওইশিংগা বাংলাদেশতা খুন্দাবা মীওইশিংগা হক খেৎনবগী মরম লৈতে। মখোয়না হেন্না লৌশিং লৈ মখোয়না ৱাৎলি হায়দুনা মীওইবগী ফংফম থোকপা হক্তা খেৎন্নহনবা হায়বসি মালেমগী চৎনপাথাপতা লৈতে। মরম অদুনা মীওই অমা ওইনা পোক্লবদা করিগী মীওই অমদগী হন্থনা হিংগনি। মাই পাক্লা হিংননবগীদমক সুপ্নতগী ঐগী হক মশক মুন্না খংবতনি মথৌ তারিবা।

# শৈরেং

## ইচিক্হুনবা-তাইবঙপান্

বীরেন সনা

মসজিদ্দগী থোরকপা
আজানগী খোম্থাং,
গীর্জাদগী য়েরকপা
কাংশি মখোল,
লাইশঙদগী শক্লকপা
মপুগী মীংখৈরোন।
পুন্নমমকসিনা
লশিং মফোনগুন্না,
মশাগী খন্ থমদনা,
লৈতাফম খংদ, মাইকৈ শলাই
নাইদ।
তরঙদা তাউদুনা লৈরিবা পুন্নমকসে,
ওইখ্রসনু
মৈ, ঈশিং, নুংশিৎকী,
অপুনবা
মতিক লৈরবা
অথোইবা ময়াইদো।
হুজিক্কি মাইক্রোস্কোপ্নসু
ফঙমদবা,
অনৌবা মহিয়েন অমা,
মপুং ফাব,
মপুসী হক্ লৈবা,
ঙাকপি হৈবাগী পুকচেল চেনবা,
মচু-মমেন্ খাইদবা,
শক্-চু খেন্নদবা,
মীরোন লোনবা ঙম্বা তাইবঙমী
অমা ওইরকতুনা
থক্-খা সিন্না খুল্লিঙরসনু,
খোংফম্ অমদগী লেংদবা,
ঙমখৈ নাইদবা ইচিক হুনবা
তোপ্-তোপ্পা
মালেম তাইবঙ-পানবাদো
পুরকনবা।

## ইমা নঙগীদমক

টিএইচ অঙমবা

চৎখ্রবা মরূপলোই চনুরা কয়াগী
মোংফমগী অরংবা মৈরাসিনা হায়রি
লৈরাংখক্তা নত্তে ঐখোয়না লেংগদবা
পীরাংদুখক নত্তে ঐখোয়গী পাঙ্গল।
"ইকাই থিবীনি" মীংথোলদুগী মরূমদা
"পাঙ্গল শেম্বীনি" চৎনবীদুগী লিপুন্না
নৈহৎপীদুনা থম্বীরফাও মীরোল কয়া
কয়াম কুইনা খাংখিনি ঐখোয়।
মীখা পোনলবী ইমা নঙগীদমক
চৎকনি ঐখোয়সু নিংতম লানফমদা
লম্বীদুদা মমলবা তিঙখং তুমবৌগী
অহিংদুনি চীক্লবা মরূপতী ঐখোয়গী।
ঈজৎকী অকিবানা নমহৎলোই ঐখোয়
অমম্বা অহিংনা থিংঙমলোই লম্বীসে
চৎকনি খুৎশন্না ইবুং-ইপ্বাসিংগা
নিংতম লানফমদা নিংতম লানফমদা
ইরৈপাক্কীদমক চৎখ্রবা
ইচে-ইচেল কয়াগী।
মোংফমগী মৈরাসিনা
তাক্লী ঙসিসু...।

# হৌদোং

মাইবম রিমন

হৌদোং কৈ মানবী
পিকক্ৰ পিক মায়লংবী।
কৈগী মনে
মীয়ামগী চৈনে।
চৎপাসু চাৎত্তে চীংদা
লৈসু লৈতে কৈগী মরক্তা।

তপ তানা চংঙি ইমুংদা
ঙাংনদে-সানদে
ঙা মাকোক অমা চেল্লকই
কাবদি ঙমহৌদে।

সাৎ সাৎ চেনখি নারক্তা
হন্না য়েংদে কনামত্তা।
ক্ৰাউ ক্ৰাউ ম্যাউ ম্যাউ
চখোম চখোম সাই।

নুমিৎ অদুদি-
য়ুমদা অমত্তা হল্লকতে।
অদু ত্তইরবসু মহাক্তি
উচি হাৎপগী অফবা খুৎলাই অমনি।

# লৈমনচল্লবা লৈ

অয়েক্‌পম মঞ্জুশ্ৰী দেবী (মঞ্জু)

লৈনা শাকাইরম্লগা চিংনদনা কেনখি
মীওইমপোক লৈখা তাখি স্মৃতিকয়া থম্লম্লগা
মলেমপুম্বা চৎনরে অসিগী রীতি
খোঞ্জেল পুম্বদা লৈরে অসিগী গীতি।

মীওইবাকয়া অসুর গুম্না য়েংনখী
মলেমগী রীতি-নীতি কয়া
ঐগী থম্মোয়দী য়েংঙমখিদরে দৃশ্য ময়ামদো

তাইবংসিদা তাইবঙমপক লিক্লাগুম্বনী
পাংখোকলাদা তারক্‌পা নোংলিকগুম্বনী
মীকুপ অমতাগী মতমসিদা মীওইবাকয়ানা
তৌনারিবা হিংসা অমনা-অমাবু য়েংবা ঙম্লদ্রিবা
করিগীনো মীওইবগী পুন্সি ৱাখল লৈখাতাদ্রিবসে?
থাজনা চানবিরুবা কয়ানা হৎপিরে
ফ্ৰেণ্ডশিপ কয়া মমায় লৈথোকখ্রে
লৈমনচনবা লৈগুম্না।

# ঈ-পাও

## মনিপুরী সাহিত্য সংস্কৃতি উৎসব ২০০৩ পাংথোকখ্রে

**ষ্টাফ রিপোর্টার ঃ**

হৌখিবা জানুয়ারী তাং ২৪ অমসুং ২৫ দা আবাদগাঁও মন্ডপ, গাজীপুর, চুনারুঘাটতা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস) বিশগাঁও শাখা না শিনলাংদুনা "মনিপুরী সাহিত্য সংস্কৃতি উৎসব ২০০৩" পাংথোকখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপ্পা শিনলাংখিবা থৌরম পরেংদি।

**২৪ জানুয়ারী ২০০৩ ঃ** অহানবা থৌরম ঃ অয়ুক পুং ১১.০০ : অপেনিং সিরিমনি, অমসুং র‌্যালী চৎখি।

অনিশুবা থৌরম ঃ পুং ০২.০০ ঃ মশা মশানা ঈবা মনিপুরী অমসুং বাংলা শৈরেং থিবা,পাবানা চিংবা পাংথোকখি।

অহুম শুবাথৌরম ঃ নুঙথিল পুং; ০৪.০০ : গুনীজন সংবর্ধনা অমসুং অনৌবা কৃতি শিল্পী শিংদা ইকাইখুম্নবগি থৌরম পাংথোকখি।

মরিশুবা থৌরম : নুমিদাং ০৬.০০ : ঈশৈ জগোয়গী থৌরম।

ঈশৈ জগোয়গী থৌরমদুদা বাংলাদেশকী মফম খুদিং মক্তগী লেংঙকখিবা অথোইবা মনিপুরী অর্টিস্ট শিংনা শরুক য়াখি। অহানবা নুমিৎকী অরোইবা থৌরম ওইনা বাংলাদেশ মনিপুরী নাটক "ব্রাকচিংগী নোং"। সাহিত্য সংস্কৃতি উৎসবতুনা বাংলাদেশকী মিংচৎলবা নাট্যকার অমসুং অভিনেতা মামুনুর রশীদ'সু খোংদারক্‌তুনা থৌরম অদুবু মপুঙ ফাহনখি।

**২৫ জানুয়ারী ২০০৩ ঃ** অয়ুক পুং ; ১১.০০ দা কর্মী সভা অমসুং অনৌবা থৌপুবা ফুরুপ সেমখি।

নুংথিল পুং ঃ ২.০০ মনিপুরী লোক সংস্কৃতি মরমদা নৈনবা মিফম'দুদা জী, নীলমনি শর্ম্মানা সভাপতিগ ওইদুনা নৈনা মিফম হৌখি। প্রধান অতিথি ফমদা লেতৈংবিখি এডভোকেট এল রাজেন্দ্র সিংহ। নৈনবদা শরুক য়াবিখি কবি এ.কে শেরাম, হামোম, তনুবাবু, কে. সুবোধ সিংহ অমসুং খোইরম ইন্দ্রজিৎ।

নুংথিল ঃ ৩.০০ মনিপুরী লোক সংগীত, খোংজোম ঈশৈ, পেনা বাসক শকপা।

নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাংথোকখিবা থৌরমসিগী অহৌবদা অনৌবা থৌপুবা ফুরুপকি শকতাকপগা লোইননা থৌরম মপুং ফনা লোইসিনবিখি।

## বামসাস, শ্রীমঙ্গল শাখাগী বার্ষিক সম্মেলন ২০০৩ পাংথোকখ্রে

হৌখিবা ০৭-০৩-০৩ইং ইরাই নুমিৎ বি,টি,আর,আই অডিটোরিয়াম শ্রীমঙ্গলদা বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ "বামসাস" শ্রীমঙ্গল শাখাগী অহানবা বার্ষিক সম্মেলন পাং-খোকখ্রে। অয়ুক পুং ১০-৩০ তাবদা মিসেস্ সুলতানা আক্তার চৌধুরী না সম্মেলন অদুবু হৌদোকপিখি। নুঙথিল পুং ৩-৩০ দা নৈনবা মিফম অমসুং সংবর্ধনাগী থৌরম পাংথোকখি। সংবর্ধনা পিখিবনা ডঃ ইনামুল হক অমসুং সুলতানা আক্তার চৌধুরী। অরোইবদা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমসু পাংথোকখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা সংগঠনশিংদি "বামসাস" কেন্দ্রীয় সংসদ, বিশগাও শাখা, কমলগঞ্জ শাখা, শ্রীমঙ্গল থিয়েটার, মনিপুরী চাওখৎ খোংথাং নুপী লুপনা চিংবা।

## তৌবিমল উৎপা

*অহানবমক্তদা 'ইথিল' বু পাবিরিবাসিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা "ইথিল" দা চাং নাইনা পুরারী, শৈরেং বারেং, বারীমচা না চিংবা ইবিরক্তুনা ঙসি মতমচানা চেফোং মরি মপুঙ ফানা পুথোকপা ঙম্বগীদমক্তা অইব-অইবীশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা তৌবিমল খংবা উৎচরি। 'ইথিল' বু মনিপুরি মিয়ামগি চেফোং অমা ওইনা পুথোকপদা অদোমগী লমজিং পাউতাক অমদি মমললৈরবা আর্টিকল মতমপুম্বদা তরাম্ন ঙাইজরি। অইবশিংগী মফমদা নিংশিংজবা অমনা আর্টিকল থাবিরকপা মতমদা অইবগী মিং লৈফম অমসুং শম্নপ্পা পুন্সি বারী অতোপ্পা চেমায়'দা খুৎইশেংনা হাপ্পিরক্লবা নোল্লুক্লা হায়জরি।*

**ইডিটর**



CamScanner

# ৬ শুবা ইন্ডিপেন্ডেন্ট কাং টুর্নামেন্ট পাংথোকখ্রেঃ



চহিগি পাংথোকপগুম হৌখিবা ফেব্রুয়ারী ২০০৩ দা বাংলাদেশ কাং ফেডারেশননা শিনলাংদুনা মঙ্গলপুর ভানুগাছদা ৬ শুবা ইন্ডিপেন্ডেন্ট কাং টুর্নামেন্ট পাংথোকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা নিপা অমসুং নুপি গ্রুপ অনিথোক্না শান্নখি। নিপাগীগ্রুপ শরুক য়াখিবা টিমনা ১৬ নি।

১. আমসমা কাংখুৎ আম্বরখানা, ২. লাইনিংথৌ কাংখুৎ গংগানগর, ৩. সিলেট শিবগঞ্জ পান্থোইবী কাংখুৎ, ৪. ধামাই লাইরেম্বী কাংখুৎ, ৫. নলধরী মহাদেব কাংখুৎ-এ, ৬. বিলাশ্বর ভাগ্যেশ্বরী কাংখুৎ, ৭. বড়ইতলী পান্থোইবী কাংখুৎ, ৮. মংগলপুর রাধাগোবিন্দ কাংখুৎ, ৯. মকোংলৈমা কাংখুৎ তেতই গাও, ১০. হামোমখুন মহাদেব কাংখুৎ-বি, ১১. ভানুবিল ভানুমতি কাংখুৎ, ১২. বাংলাদেশ মনিপুরী ছাত্র সমিতি, ১৩. কন্থৌলৈমা কাংখুৎ নয়াপাত্তন, ১৪. হামোমখুন মহাদেব কাংখুৎ-এ, ১৫. নলধরী মহাদেব কাংখুৎ, ১৬. মংগলপুর নিত্যাইনন্দ কাংখুৎ।

নুপিগী গ্রুপ শরুক য়াখিবা টিমশিংনা ঃ- ১. রাধাগোবিন্দ কাংখুৎ মঙ্গলপুর, ২. রামনগর মৈতৈলৈমা কাংখুৎ, ৩. হামোমখুল বলরাম কাংখুৎ, ৪. আম্বরখানা পান্থোইবী কাংখুৎ, ৫. থোইবী কাংখুৎ নয়াপত্তন, ৬. ছোট ধামাই পান্থোইবী কাংখুৎ, ৭. ভানুবিল ভানুমতি কাংখুৎ, ৮. মঙ্গলপুর নিত্যাইনন্দ কাংখুৎ। হৌখিবা ফেব্রুয়ারী তাং ১০ দগী টুর্নামেন্ট হৌখি। নোংমাগি গেম ২/৩ তৌনা থাদখি।



নোংমনা নিপাগী মথংগী নুমিৎনা নুপিগী। অসুম তৌনা টুর্নামেন্ট অদুবু মপুংফনা শান্নখি। অদুগা ২৫ ফেব্রুয়ারীদা ফাইন্যাল শান্নখি। নুমিৎদুদা নিপা অমসুং নুপি গ্রুপ অনিমক্কি চ্যাম্পিয়ন অমসুং রানার্সআপ খনখি। সিংথানিঙাই ওইরবা কাং টুর্ণামেন্ট অসিদা অঙাং অহল খ্বাইদনা মী য়াম্না তিনখি অমসুং শান্নরোই শিংদা য়াম্না ইনোৎপিবিখি। ফাইনাল ম্যাচ নুমিৎতদি মনিপুরিসিংনা তাবা লমখুদিংমক্তগী কাং শান্নাবা অদুবু য়েংবা লাকপিখি। সুপ্না হাইরবদা বাংলাদেশকী মনিপুরি সিংদা কাং টুর্ণামেন্ট অসি য়াম্না পপুলার ওইরবা গেম অমা ওইনা পুখৎলক্লি ফাইনালদা শরুক য়াখিবা টিমসিংদি নিপাগী গ্রুপতা ঃ ধামাই-অমুসং মঙ্গেমখোঙ, নুপিগী গ্রুপতা ঃ মঙ্গলপুর (১) মঙ্গলপুর (২) নিপাগি গ্রুপ চ্যাম্পিয়ন ওইখি মঙ্গেমখোং লাইরেম্বী কাংখুৎ। অদুগা রানার্সআপনা ধামাই লাইরেম্বী কাংখুৎ,নুপীগিগ্রুপ চ্যাম্পিয়ন ওইখিবনা মঙ্গলপুর (১) অমুসুং রার্নাসআপনা মঙ্গলপুর (২)।



CamScanner

# মনিপুরী মুসলিমশিংগী বৃত্তি পিখরে

হৌখিবা ফেব্রুয়ারীগি ১৫ থাংজ নুমিৎ ভানুগাছকী তেতইগাঁও রশিদ উদ্দিন হাইস্কুলগী লমপাক্ত বাংলাদেশ মনিপুরি মুসলিম এডুকেশন ট্রাস্টকি বৃত্তি ২০০৩ ফংখিবা মহৈরোয়শিংদা বৃত্তি পিখরে। বৃত্তি পিবগী থৌরম অয়ুক্কী পুং তরাদগী হৌখি। থৌরমদুদা মিকোক মিথোয় মিহেনগী ফমদা লৈতেংবিখি ইকায়খুম্ননিঙায় ওইরবা ওজা সাইয়্যিদ মুজীবুর রহমান চেয়ারম্যান, বাংলা বিভাগ,এম সি কলেজ, সিলেট , অথোয়বা মিহেনগি ফমলাংখিবাশিং মথংশিংনা মি. মিজানুর রহমান চেয়ারম্যান, ৭ নং ইউ.পি. আদমপুর, মি. আব্দুল মতিন প্রধান শিক্ষক তেতই গাঁও রশিদ উদ্দিন হাই স্কুল, অমসুং সোসিয়্যাল ওয়ার্কার মৌলানা আব্দুর রহমান মিফমদুদা সভাপতিগী ফমদা লৈতেংবিখি ওজা মো: নূরুল ইসলাম। খুন্নায় অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা অসুন্না তুংগী মিরোলগীদমক ঙসিগি মহৈরোয়শিংবু মতিকচানা লম্বি-লমতাক তাকপিবা ঙসিগি মিরোলগী তংয়ফদ্রবা থৌদাংনি । নুংথিল পুঙ অনি তাবা মতমদা ইশৈ-নোংমাইগি থৌরমগা লোয়ননা বৃত্তি পিবগি থৌরম মপুং ফাহনখি।

# মনিপুরি অডিও ক্যাসেট ফোংখ্রে

চৎলিবা চহিসি'গী মার্চ ১২দা মনিপুরী সাংস্কৃতিক পরিষদ না শিনলাংদুনা মনিপুরি কালচারেল একাডেমীগি শঙ্গায়দা বাংলাদেশকী ওইবা অহানবা মনিপুরি লোনগী অডিও ক্যাসেট অনিখক ফোংখ্রে। হাইরিবা অডিও ক্যাসেট অসি মিয়ামগি মফমদা ফোংদোকপগী থৌরমদুদা প্রধান অতিথিগি ফমদা লৈতেংবিখি মনিপুরী জগোই শাবদা মিং চৎলবি ইকায়খুম্নবদা মতিকচারবি তামান্না রহমান অমসুং বিশেষ অতিথিগি ফমদা লৈতেংবিখি মি. মিজানুর রহমান চেয়ারম্যান, ৭ নং আদমপুর ইউ.পি. সভাপতিগি ফমদা ঙানথোয়বিখি সাংস্কৃতিক পরিষদকি সভাপতি




মি.চন্দ্রকীত্তি না। ফোংখিবা ক্যাসেট শিংদুগী মরমদা নৈনবা মিফম অমসুং পাংথোকখি। মিফমদুদা রা ঙাংবিখিবা ময়াম্না মশিং লিক্লা লৈরবা মনিপুরী খুন্নাইদগী অসিগুম্বা থৌদোক পুথোরকলিবসি থাগৎনিঙাই মশকনি ।প্রধান অতিথিগি মমল লৈরবা বাহৈদা হায়বিরম্মি ঈশৈ জগোইনা খুন্নাই অমগি শকতাকপদা চাউরবা থৌদাং'মনি। ঙসি মনিপুরি জগোই মালেম শিন-থুংনা খংনরবা জগোয় মথেল অমনি। জগোই'সিনা মনিপুরি জাতিগি শকতাকপদা অচৌবা পাম্বৈ ওইরিবনি। বাংলাদেশকি মনিপুরিশিংগি মনুংদা অতৈসু জগোই ঈশৈ-নোংমাইদা থবাই যাওবগী মথৌ লৈ হায়না হাবিরম্মি অমসুং নৌনা হৌগৎলক্লিবা কালাকারশিংবু মশিংলৈতনা থাগৎপিরম্মি। ফোংখিবা অডিও ক্যাসেটশিংদি:-

১। থবাইগী তাম্বা (মতমগী ইশৈ)

২। থবাই মিরেল ( লৈবাকনিংবা ইশৈ)

ফোংখ্রবা ক্যাসেটকি ফংফম মনিপুরি সাংস্কৃতিক পরিষদ আদমপুর বাজার,কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার।



# ENVIRONMENT, HEALTH AND PRECAUTION

**Madhu Mangal**

(after 3rd issue)

**Some Cancer Facts**

Cancer can not be detected by standard test until they have multiplied to a few billion. When doctors tell cancer patients that there are no more cancer cells in their bodies after treatment, it just means the test are unable to detect the cancer cells because they have not reached the detctable size.

Cancer cells occur between 6 to 10 times in a person's lifetime.

When the person's immune system is strong the cancer cells will be destroyed and prevented from multiplying and forming tumors.

When a person has cancer it indicates the person has multiple nutritional deficiencies These could be due to genetic, environmental, food and lifestyle factors.

To overcome the multiple nutritional deficiencies, changing diet and including supplements will strengthen the immune system.

Chemotherapy involves poisoning the rapidly-growing cancer cells and also destroys rapidly-growing healthy cells in the bone marrow, gastro intestinal tract etc., and can cause organ damage, like liver, kidney, heart, lungs etc.

Radiation while destroying cancer cells also burns, scars and damages healthy cells, tissues and organs.

Initial treatment with chemotherapy and radiation will often reduce tumor size. However, prolong used of chemotherapy and radiation do not result in more tumor destruction.

When the body has too much toxin burden from chemotherapy and radiation the immune system is either compromised or destroyed, hence the person can succumb to various kinds of infections and complications.

Chemotherapy and radiation can cause cancer cells to mutate and become resistant and difficult to destroy. Surgery can also cause cancer cells to spread to other sites.

An effective way to battle cancer is to starve the cancer cells by not feeding it with the foods it needs to multiply.

Sugar is a cancer—feeder. By cutting off sugar it cuts off one important food supply to the cancer cells. Sugar substitutes like Nutra Sweet, Equal, and Spoonful etc. are made with Aspartame and it is harmful.

A better natural substitute would be Manuka honey or molasses-but only in very small amounts.

Milk causes the body to produce mucus, especially in the gastro-intestinal tract. Cancer feeds on mucus. By cutting off milk and substituting with unsweetened Soya milk cancer cells are being starved. Milo, Ovaltine, Horlicks are made with milk and should be avoided.

Cancer cells thrive in an acid environment. A meat-based diet is acidic and it is best to eat fish, and a little chicken rather than beef or pork. Meat also contains livestock antibiotics, growth hormones, parasites, etc. which are all harmful to people with cancer.

A diet made of 80% fresh can be from cooked food including beans. Fresh vegetable juices provide live enzymes that are easily absorbed and reach down to cellular levels within 15 minutes to nourish and enhance growth of healthey cells. Enzymes are destroyed at tempera-

**Cancer cell walls have a tough protein covering. By refraining from or eating less meat it frees more enzymes to attack the protein walls of cancer cells and allows the body's killer cell to destroy the cancer cells.**



CamScanner

ture abouve 104 degrees F (40degrees C).

Avoid coffee, tea, and chocolate, which have caffeine. Green tea is a better alternative and has cancer-fighting properties.

Meat protein is difficult to digest and requires a lot of digestive enzymes. Undigested meat remaining in the interstines become putrefied and leads to more toxic buildup.

Cancer cell walls have a tough protein covering. By refraining from or eating less meat it frees more enzymes to attack the protein walls of cancer cells and allows the body's killer cell to destroy the cancer cells.

Some supplements build up the immune system (IP6, Flor-Essence, Essiac, antioxidants, vitamins, minerals, EFA etc.) to enable the body's own killer cells to destroy cancer cells. Other supplements (Maitake.e.g.) are known to cause cancer cells apoptosis, that induce cancer cells to commit suicide.

Cancer is a disease of the mind, body and spirit. A proactive and positive spirit will help the cancer warrior be a survivor. Anger, unforgiveness and bitterness put the body into a stressful and acitic environment. Learn to have a loving and forgiving spirit. Learn to relax, enjoy and trust God for healing.

Cancer cells cannot thrive in an oxygenated environment. Exercising daily and deep breathing help to get more oxygen down to the cellular level. Oxygen threapy is another means employed to destroy cancer cells.

Cancer can be healed by divine intervention of God the Healer.

**Summary :**

Sugar is a cancer feeder. Avoid sugar. Sugar substitutes like equal, Spoonful, Nutra Sweet are made with Aspartame, a chemical that is harmful to the body. A better natural alternative is manuka honey in small amounts. Milk causes the body to produce mucus. Cancer thrives on mucus. Better calcium alternative is unsweetend Soya milk. Milo, Horlicks, Oval tine are all milk-based, so it is best to avoid.

Green tea has anti-cancer properties. It is better substitute for coffee and tea, which have caffeine, bad for people with cancer.

Table salt has chemical added to make it white in color. Better alternative is Bragg's aminos or sea salt.

Meat like pork, beef, and chicken contain livestock antibiotics, growth hormones parasite, etc. which are all harmful for people with cancer.

It is better to eat fish, or eat a little free-range chicken. Meat protein is difficult to digest and requires a lot of digestive enzymes. Undigested meat remaining in the intestines become putrefied and leads to more toxic buildup.

Cancer cell walls have a tough protein covering. By refraining from or eating less meat it frees more enzymes to attack the protein walls of cancer cells and allows the body's killer cell to destroy the cancer cells.

Water-best to drink purified water, filter or distilled, to A void known toxins and heavy metals in tap water.

To obtain live enzymes for buildup healthy cells try and drink fresh vegetable juice (most vegetables including bean sprouts) and eat some raw vegetables 2 or 3 times a day. Enzymes are destroyed at temperatures of 104 degree F (40 degree C).

Facts :

We are exposed to an over abundance of toxins.

We don't consume enough proper nutrients in our diets.

Nutritional Supplements improve and extend life.

Deficiency in any nutrient leads to diseasees like osteoporosis, heart disease, blood clotting, Cholesterol, diabetes etc.

REFERENCES

A Cancer Battle Plan By Nunne & David Frahm.

A Cancer Battle Plan Source book by David Frahm (ND)

Beating Cancer With Nutrition by Dr. Patrick Quillin

Immunopower by Dr. Patrick Quillin, PhD, RD, CNS

Alive and Well by Dr. Philip Binzel, Jr. MD.

Stop the Medicine by Dr. Cynthia Foster, MD.

The Bible Cure by Dr. Reginald Cherry, MD.

The Doctor and The Word by Dr. Reginald Cherry, MD.

Prescription for Nutritional Healing by Balch, MD.

Alternatives in Cancer Therapy by R. Pelton, PhD & L. Overholser

God's Way to Ultimate Health by Rev George Malkmus



CamScanner

ITHIL. Vol- 01. Issue- 04. January-March 2003 Price Tk. 20.00



Mukna
(Manipuri Wrestling),
Courtesy : Yurembam Motilal
Heirangoithong Aheibam Leirak.
Imphal, Manipur, India.